ঐগী মীংযেং



O2,1ULE

PG ;3

উলেল্ মীতৈ

MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR

IMPHAL

★ LIBRARY ★



MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY

CANCHIPUR, IMPHAL - 3

Acc. No. ~~9929~~ 9073 / Man

Author Ulen Meitei (kh)


Title Eigee Mityeng

Date of issue Sign. of stack(I/c)	Due date	Membership Number

~~9929~~ 9073 / Man
Ulen Meitei (kh)
Eigee Mityeng

এগা মীংয়েং

ꯑꯦꯒꯥ ꯃꯤꯡꯌꯦꯡ



উলেল্ মীতৈ



মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল্।


EIGEE MEETYENG
A collection of Poems
in Manipuri (Meeteilol) by
KHURAIJAM ULEL MEETEI
Sagolban Tera Keithel
Sapam Leirak
Imphal,Manipur -795001.

অহান্‌ব ফোঙ্‌ব : খৃষ্ট কুম্‌ ২০০৬, জনুৱারি
অফোঙ্‌ব : ৱাংনিংৱীন(ৱাংম,নিংথি,লেম্বীন)মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি ঈম্ফালগীদমক্ত ফোঙজব।

মখূম্‌ : নাউবী, হাওবম্‌ মরক্‌,ঈম্ফাল্‌।

মমল্‌ : লুপা: ৭০

অইবগী ফোঙ্‌ৱব সৈরেংগী
১। ঐগী ৱাখল্‌
২। ঐগী খোঞ্জেল্‌
৩। ঐগী মীৎয়েং



লাইরিক্‌ নম্ফম্‌:
শিব প্রেস,
মপাল্‌ কাঙ্‌জেবূং মনাক্‌,ঈম্ফাল্‌।

DATA ENTERED
BY ....

ঐগী মীৎয়েং



ৱাখল্ পীবিবদগী নঙ্ন
ইজবনি সৈরেং ঐন
অদুন,
নহাক্কীনি
'ঐগী মীৎয়েং' লাইরিক্সি ।

জেনেরেল্ সেক্রেটরিগী ৱারোল্

চহি খরগী মমাঙ্দগী হৌনা মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটিসিনা অনৌ অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী ওইবা লাইরিক কয়া পুথোক্লবা হোৎনজরক্লি। সোসাইটিসি খৃষ্ট কুম ১৯৮৫ ইংদগী হৌনা অইবা অইবীশিংতনা মপূং ওইনা পূন্সিন্দুনা শেমখিবা সাহিত্যগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সংস্থান্নি। সাহিত্য অকাদেমি, নই দিল্লিনা শক খঙবীবগা লোয়ননা সাহিত্যগী লমদা খোঙ থাংজিল্লিবা অইবা অইবী কয়াগী পূক্লিং থৌগৎচরিবা সোসাইটিনি। সোসাইটিসিগী অইবা অইবীশিংনা ফোঙবা মগুণ লৈবা লাইরিক্তা ষ্টেট অমদি নেসনেলগী থাক্তা লাইরিক কয়াদা সাহিত্যগী মনা কয়ামুকসু ফংনখ্রে। খৃষ্ট কুম ২০০১দগী হৌনা সোসাইটিনা মগুণ লৈবা লাইরিক্তা চহি অনী অ[illegible] সেলাম্ মুক্তা মনা পীবা হৌখ্রে। সোসাইটিগী পান্দমদি লাইরিক ফোঙবা খক্তা [illegible] সাহিত্য লৈচল 'কৌবা থা তরুক তরুক্কী সাহিত্যগী চেফোঙসু ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা পুথোকচরি।

মমাঙদা সোসাইটিনা পূন্না লাইরিক কুনমঙা ফোঙখ্রে। ৱারী মচাগী লাইরিক তরেৎ ফোঙখ্রে, শৈরেংগী লাইরিক তরামঙা, দ্রামাগী লাইরিক অনী অমসুং উপন্যাসকী লাইরিক অমনি।

লাইরিকসি ইরিবা খুরাইজম উলেল মীতৈগী 'ঐগী মীৎয়েং' হায়না মিংথোনবা লাইরিকসি সোসাইটিগী এদিতোরিয়েল বোর্দনা খনগৎপীরকপদগী সোসাইটিনা ফোঙদোকপা কুনতরেৎ শুবা লাইরিক ওইনা মীয়ামদা পুথোকচবনি। শৈরেং লাইরিকসি অইবগী ইনৌ নৌবা খুৎইনি। লাইরিক অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা লৈচল অমা ওইরগনি খঞ্জে। সোসাইটিনা লাইরিক অসিবু পাবীরিবশিংগী খুত্তা শিন্নজরি।

ইম্ফাল,
তাং ১, জনুৱারি, ২০০৬

থিংবাইজম শরতচন্দ্র
জেনেরেল সেক্রেটরি
মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল।

ৱামাঙ্ য়ান্ব

ঐন সৈরেংনি হায়দুন ইজরিবসি মতম্ মতম্গী ওইবদ ঐগী মীৎয়েং থম্জবনি । ইজনীংব কয়া লৈজদুনসু ইদব ঙম্জদব অদুদ লৌখৎচৈ। সৈরেংদ ঐগী ওইব তাইবংপান্ অম সাগৎচবদ পূম্নমক্কী ওইব তেংবান্ব অম ওইহন্নীংলুবগী থোইদোক্ল মীয়েং থম্জরুদে। ঐন ঐগী সৈরেংগী মপুঙ্গিগী মরম্দ খঞ্জরুদে। অসুম্ন হৌরগ অসুম্ন লোইসিন্ব সৈরেংগী মপাউখোল্ন করি হায়রিব হায়বসু নৈনজরুদে ।

ৱাফম্ অমন সূমাঙ্ কূম্হৈদ, মমি কূম্হৈদ , ফস্পাক কূম্হৈদ মী মমিং কয়া ঐখোয়ন থেংনৈ । অদুবু কূম্হৈ কুম্হৈ অদুগী মখা পোন্ব মী মমিংনি হায়ন খন্নবগুম্ন ঐগী সৈরেংদ য়াওব মী মমিংসু সৈরেং সৈরেংগী মী মমিংনি হায়ন লৌবীরগদি য়াম্ন নুংঙাইজগনি ।

নীংথিন ফিজেৎ লৈতেংলবী মকে সেল্লবী কনাগুম্বী চনুরা অমদ য়েংনিংব লৈ ।অদুগুম্ন সৈরেংদসু ফজব ৱাহৈগী চন্নফম্ তঙাইফদব লৈ। হায়নবসিং চুল্লবসু ঐগী সৈরেংদি সৈরেং সৈরেংদ য়াওরিব মতম্ মতম্ অদুগী মওং মতৌ অদুবু ৱাখল্ন মপা লাক্সিঞ্জরগ মদুদ ঐন উজব পুক্নীংগী ৱাখল্ পরীং অম সাগৎচরগ থম্জবসি মঙাইরে।

পঞ্জনীংব অমন ঐগী মরূপ্ বুধ চিংথাম্গী ৱারোল্ খর য়াওজরিবসি ঐগী লাইরিক্সিন খূৎই ওইন লৈরিঙৈদ ঐখোয় ফম্মিন্নবদ বুধন পারুগে হায়দুন পুখি। (লোয়সঙ্ পূল্লি) নুমীৎ খরনি মতুঙ্দ বুধগী মপুক্লিঙদ ফাওরক্প ৱাখল্লোল্নি হায়দুন অইব চে অমগ লোয়নন ঐগী খূৎই লাইরিক্ ঐঙোন্দ অমুক পীবিরক্ই। মদুবু ঐন মাঙ্হঞ্জনীংদবদগী লাইরিক্সিদ হাপ্চরে।

অরোইবদ কাউব য়ারোইদব অমন প্রেসকী ঈচিন্ ঈনাও কয়ান য়াম্ন কন্ন হোৎনবীবদগী মতম্ চান লাইরিক্সি পুথোক্চব ঙম্জবনি । মসিগীদমক্সু থাগৎচৈ ।

উৎপল মীতৈ

কবি উলেল্ মীতৈগী 'ঐগী মীৎয়েং'

Satire with a purpose

মরৌ লৈবা ফাগীনা মচেক্তা য়েদুনা ব্রাখল খলহনবা, খোয়দৌশিকপা ফাগীনা অশোয়বা কয়া শিথবা, নোক্লা নোক্লা মীওইবনা ফাগীগী মমল শাওবা ঙমদনা লেপ্পবা ঙাক্তনি । মীবু নোকহনবা কলা হায়বশিমক তরাই তরাইবা নত্তে । শাথিনা সেরিয়স ওইখ্রবা , দেদলি সেরিয়স ওই হায়নরিবনি। অদুবু হায়রিবা সবজেক্ট রস , হ্যুমব অমসুং সেটায়াব অশি মণিপুরী লিটরেচরদা স্কোলারশিংনা মশিগী সবজেক্ট অশিদা ক্রি টিকেল এটেন্সন অসি য়াম্না পিক্লা থম্নখ্রে অদুনা ঐখোয়গী লিটরেচরদা হিরম অসি কয়াদা থৌশাবীদুবনো হায়বশিনি।

অশিগুম্বা মরক অশিদা লমদম অশিদা ঐখোয়গী সাহিত্যদা হ্যুমরিষ্ট, সেটায়রিষ্ট থোরক পা লেপ্পবুদি নত্তে । অদুনা অরিবা সাহিত্যদগী অনৌবা সাহিত্যদা শক হোংলকপা মোর্ডন লিটরেচরদদি মতমসিগী সোসিও ইকোনোমিক বেসিস অমসুং ইন্টেলেকচুয়েল বেকগ্রাউন্দা মরূ ফূক্লা হোংলবা শক্ত ম অমা লাকলে । শম্না ঐখোয়গী সাহিত্যদা য়াম্না রিলিজিয়স ওইরম্বদগী য়াম্না আর্টিশটিক ওইরকপা, য়াম্না ইমোশ্নেল ওইবদগী নাম্থোক্তুনা য়াম্না ইন্টেলেকচুয়েল ওইরকপা, যাম্না ম্যুজিকেল ওইরম্বদগী য়াম্না পোইটিক ওইরকপা কয়া অশি থেংনরকলি । মশিগী মনুংদনি কবিশিংনা মাগী মাগী ষ্টাইল খূংফোঙদোক ময়াম অমদা খূৎ থানরক্লিবা। মশিদা য়াওরকই শৈবেংগী খূৎইদসু হ্যুমর অমসুং সেটায়রনা খুলাই(ব্লিপন) অমা ওইনা শিজিন্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তৌরকপা ।

হিরম অশিদা ঐখোয়গী কবি ওম্থোক্লা লিক্লা লৈ। খূৎশা মঙাশি থেকনিঙাই লৈতে। মশিগী মবক্তা তোপতোপ্না থোরক্ই ঐখোয়গী সেটায়রিষ্ট কবি উলেল মীতৈ। মহাক্লা শৈরেংদা ফাগীগী মায়খুম উপশিল্লকই। মীওইবগী শোয়থরকলিবা অপঙবা মতৌবু মহাক্কী শৈরেংদা শাথিনা মিনুংশি অমত্ত য়াওদনা, থাজগন্দবা মিৎয়েং অমদা করেম্নদুনা অশোয়বদু শিথরকই। মশিগুম্বা খূৎই হ্যুমরস অমসুং সেটারিকেল রাইটিং অশে মণিপুরী লিটরেচরদা শাথিনা দরকার লৈ । মদুগী অহাঙবদু কবি উলেল মীতৈনা অচৌবা অহাঙবশি মেনশিনবদা শরুক খরত ওইরবসু লৌরকপশি য়াম্না নুংঙাই। তশেংনা সোসিও কন্সিয়স সেটারিকেল, হ্যুমরস রাইটিং কয়াতনা ঙসিগী খুন্নাইগী শোক্ল মশা (existing malaise) অশি তানথোকখিদুনা অফবা মীওইবগী খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙমগদৌরিবনি। মরম অশিমক্তননি নোংচুপকী মোর্দন ব্রেষ্টন দ্রামাটিশ জি: বি: শো , জে: বি: প্রিস্লি,র্জোজ ওর্বেলনচিংবনা satire, sarcasm,irony, humour

কয়া অশিবু যাম্না মচিন থৌবা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নদুনা মীওইবা খুন্নাইব তংদু লৈতাহনদ্রিবা ইভিল ফোস ময়াম অশিদা লান্দারকলিবা।

কাব উলেল মীতৈ য়াম্না মিৎশিং নাশিংবা মীওইবা খুন্নাইবু ফগৎনবা হোৎনবদা কৃপখুবা অশোয়বা কয়া ফাওবদা মহাক্কী মাইক্রোস্কোপকুম্না মমিৎনা উদবা লৈতে। হেক্তা উরম্মী হেক্তা খুনজিল্লকই, হেক্তা ইথোবকই, পঙথরুরবা তম্বরুরবা হক্চাং কয়া মহাক্কী শৈরেংনা টিক্রি হোৎতুনা মিৎশিং নাশিংহল্লি। অদুনা ঐদি মাবু "শৈরেংনা টিক্রি হোৎপা কবি" হায়নফাওবা কৌনিংঙী। মতাংশিদা ঐনা য়াম্না লাইবক ফবা তানজা অমা ফংজরুবদি মহাক্কী হন্দক্কী অনৌবা শৈরেংগী লাইরিক "ঐগী মীৎয়েং" খুৎইদা লৈরিঙৈদা পাবা ফংজরুবা অশিনি। সাহিত্যগী লমদা, শৈরেং শৈদিন্নবদা পূনশিন্নরুবা মীশকসু নত্তে। চুম্নগী লোয়সঙ পূনমিন্নরুদুনা ঙাইহাক লৈত উনবদা থেংনদুনা পাবা ফংঙী। পাববনিনা ঐগী থমোইদা ফাওরকপা খরদি ইদুনা কবিদা শিন্নখি। মমাঙদসু কবিগী ফোঙখুবা শৈরেং লাইরিক অনি "ঐগী ৱাখল", "ঐগী খোঞ্জেল" পাখ্রে। হন্দক্কী অশিনা "ঐগী মীৎয়েং" অহুম অশি মিংথোল চপ মান্নে হাযনা খল্লি।

কবিনা হন্দক্কী মহাক্কী শৈরেং লাইরিক অশিদসু খুৎই চপচানা পেরামিটর অমদা হেক্তা মচং অশিনি হায়না ঐখোয়না লেপ্পবা পিদে। মহাক্কী টিক্রি হোৎপা শৈরেংশিং অশি মশাগী ওইনা দেবলপ তৌজবা ইডিয়ম অমদা শেমগৎচবনি। মহাক্কীশৈরেং পুম্নমক অশি লীলা পিক্রু পিক্রু অমমম গুমবনি। অদুনা মঙোন্দদি লীলা পিক্রু অমা হেক থোকপদা মাগী শৈরেং হেক্তা ওইরে। অদুনা মহাক্কী নুংঙাইরবা লীলা পিক্রুগুম্না শৈরেং অমা পাবদা সসপেন্সদা কবি থোক্লক্কদগে ঙাইঙমদবা হেক্তা ফাওহল্লি। লোইরকপদা মচিন থৌবা থৌদৌ অমনা কক হেক্তা খিল্লি অপাবশিংদা। অদুনা মণিপুরদা লৈবা কবিশিংগী মনুংদা তোপতোপ্পা কবি অমনি হায়দবা ঙম্লোই। মহাক্কী শৈরেং ইবদা ৱাহং অমা করিগী শৈরেং ইগদৌবিবনো হাযবাস মহাক্কী ৱাখলদা হেক হেক থমদুনা ইবা থেংনৈ। পাওখুম্না মাগী শৈরেংদা থোরকই। মদুদি, শৈরেংসু মীওইবা খুন্নাইবু শুদোক চামথোকপদা খরদি তৌবা তাই হায়বশিনি। মরম অদুনা মহাক্কী শৈরেংদি য়াম্না লায়না লায়না ফংহল্লি। মণিপুরদা ফোঙনারিবা চয়োলগী চেফোঙ, পাওচে অয়াম্বদা কাব উলেল মীতৈগী শৈরেং হেক্তা পাবা ফংই।

কবি উলেলগী হন্দক্কী খ্বাইদগী নৌবা শৈরেং লাইরিক "ঐগী মীৎয়েং" অশিদা পুম্না শৈরেং ৬২ যাওরি। লাইরিক অশিগী টাইটল শৈরেং অমা খনগৎতুনা থোনবা মিংথোল নত্তে। শুপ্পা থোনবা মিংথোলনি। মমিং অশিমক্তনা খুৎই অশি সোসিয়েল সেটায়ারগী হিস্ত অমা ঐখোয়দা পিবগুম তৌই। তশেংনমকসু হ্যমর অমসুং সেটায়ারনা দোমিনেটিং থেৌদ ওইরিবা পুল্লপ লেংলিবা লাইরিকনি। অয়াম্বা শৈরেংশিং কবি অসিনা শিজিন্নরিবা দিভাইস অশি য়াম্না লুনা হৈশিংনা subtle humour, satire অমসুং irony কয়া অশিনা humour

of judgement, failure of perception, hypocrisy, tall talk, double-speak, incompatibility, contradictions of human characters কয়া অশি নুংঙাইনা নোক্লা নোক্লা ব্রাখল মিকপ থোকহনবনি। অদুনা মশিগী পান্দম অশিদা "ঐগী মীৎয়েং" কৌবা মিংথোন অশি থোবকই। য়াম্না নুঙাইরিবদি মাগী শৈরেং লাইরিক খুদিংমক্তা মক ওইবা চরিত্র খুদিংমক উলেল হায়বা মিংথোল অশি কনাগীসু মমিং অমত্তু তাংলুদনা মশাগী মমিং হেক্তা শিজিন্নৈ। মসিদা কবিনা মশাগী মমিং ইতৎ তৎতনা শৈরেংশিংদা শিজিন্নরিবশি নুংগী ব্রাহস্থোক ঐখোয় অপাবশিংনা কৃপ্না নৈনবা চুমগনি খল্লি। মশিনা অপাবশিংদা তোঙানবা ইফেক্ট অমা পিদবা নত্তোমশি কবি উলেল মীতৈগী থানবা সুংয়া য়াদবা ইলিমেন্টনি, টেক্নিক অমনি। মশিননি অপাবা খুদিংমক্তা ফাগীগী শৈরেং অমা পাবগী অতাওবা ব্রাখলদ চংখিগদবদু খংথু থুগাইদুনা অপাবা মশাদা ক্রিটিকেল এনালাইসিস অমা তৌজনবগী তনজা অমা পিবরিবা। মশিনা শৈরেং অমমমদা থোরকলিবা থৌদোক মচা অমমম্বু শেম্বদা চঙলিব নকওইবা চবিত্রশিং অশি মার্ক্স অমমম ওইনা শেম্নগা কবি উলেল মীতৈনা মার্ক্স মনুংদা চঙলগা লীলা শান্নবগুম্বনি। মরম অদুন উলেল হাযবা মিং অশি চুম্না কোমিক রিলিপ অমা পিবদ নত্তনা য়াম্না পব্লারফুল সিম্বোল অমমম ওইনা থোরকই। অদুনা শাগৎলিবা শৈরেংগী থৌদোক মচা মচাশিং অশি অশেংবা অমা নত্তো মশি করিগুম্বা রিয়েল ব্রান অমা ওইবা তারবদি ঐখোয় করি তৌগদগে হায়বা ব্রাখল ফাওহন্দুনা অপাববু নমদুনা দিসিজন অমা লৌহল্লি। মশি কবি উলেলগী অঙকপা টেক্নিক অমনি।

হন্দক্কী কবি উলেলগী শৈরেং লাইবিক "ঐগী মীৎয়েং" অশি পাবা মতমদা চাওরাক্ল শকক্ অহুমগুম্বদং খায়দোক্তুনা য়েংবা যাই। অহানবদা কবিগী খুৎইদা পোলিটিকেল থিম নত্তুগা পোলিটিকেল সেটায়ার অশিনি। মশি মাগী খুৎইদা মশিং য়াম্নমক থেংনদ্রবসু উসবক্কী অচারগুম মহাক্কী শৈরেং অহুম মরি, অহুম মরি হাপ্তুনা অপাববু নাতোন্দা ব্রং কাহল্লি। মহাক্কী পোলিটিকেল সেটায়ার অশি ইথা থাজদনা মপাঙ্গল য়াম্না কল্লি। কবি উলেল মীতৈ কন্টেম্পবরি পোলিটিকেল সিন য়াম্না মনুং হুৎনা য়েংবা কবি অমনি। য়াম্না কিন ওবর্জবির অমা ওইনা ইলেক্সন, পোলিটিকেল সিন কয়া মাগী শৈরেং "য়েল্লম্বা শেল" "খংবা" "খবরদা থেংনবদগী" "ছুই খোংবা" "সভাদা" আশিনচিংবদা মনুং হুৎনা য়েংবা শাথিনা করেম্নবা থেংনৈ। অদুনা কবি উলেলগী ইলেক্সনগী সেটায়ার অশিদা ঐখোয়না চেকশিল্লদ্রবা মখোয়গী রাজনিটিগী লাংদা থুরবা নুংশিত্থবা গুদিগী সমাজনা উশিনবা গুমদ্রবা থৌদোক মচা মচা কয়াফাওবা চিংথোক্লকই।

অনিশুবদা মীওইবগী অফবা মালহনবা, শাজিন্নবা, তৌশিন্নবা, তাং পাং (hypocrisy) মীওইবগী নাম্না হোরাংপা, অপঙবা মতৌ অমদি orthodox লাইনিংগী খুন্নাইগী চংনবি অশিনি। মশিদদি মহাক্কী শৈরেং পিক থন্না য়াওরে। মশিদদি ফন ফজনা অয়াম্বা শৈরেং ওইরে। মশিদদি কবিনা কষ্টমরি সোসিয়েল লো, হিন্দু কষ্টমস কয়া অশিগী মায়োক্ত

মহাক্কী সেটায়ারনা মায়গৈ অমা শেম্নবা হোৎনরকই। মশিগী অনিশুবা কাণ্ডলুপ অশিদদি উলেলগী সেটারিক মুদ অশি ওম্থোক্লা মচিন থৌখ্রে। লাইরিক অশিদা অয়াম্বাশৈরেং অশি রিলিজিয়স ওর্থোদোক্সি মথোঙ হুকত্রবা চুশিনখ্রবা মীওইবগী হোংদোকপা ওদবা মশক কয়া অশিদা ফজনা এটেক তৌরকই।ওর্থোদোক্সি মণিপুরী দিভোটিজ, ইগনোরেন্স, অশিদা নত্তনা খুদম চাংদমগা লোয়ননা মণিপুরী সোসাইটিগী কনর্জাভেটিপ ইলিমেন্টশিং অশিসু মহাক্লা মতমগা চানদবা পোৎশক ওইবদু শেংনা থাংদোক্লুনা নোক্লরি। অদুনা মশিগী কাণ্ডলুপকী শৈরেংশিং অশি য়াম্না ৱাহন্থোক্তা নুংঙাই। মতাং অশিদা শৈরেং অমা "খোযরি নাওফম্" প্রমাণ ওইনা থম্বা য়াই। মশিদা জেনেরেসন অনিগী হায়বদি অনৌবা অমদি অরিবা মীরোল অনিগী মরক্তা তৌনরিবা কনফ্রনটেসন নুংঙাইনা সেটাবিক্ ইফেক্ট শাগৎপা ঙম্মী।

মীওইবনা হ্যুমেন ভেল্যু অশি কাওথোক্লকপা যাম্না য়ুনির্ভসেল ওইবা কয়া অশি কবি উলেলনা পুন্সিবু মশক খঙনা অয়ৌবীদা য়াম্না দ্রামাটিক ওইনা হায়দোবকই। মাগী ৱাহৈগী ইকনমি, ৱাহৈ খরতনা নুপী নুপাগী ওইবা য়াম্না নোক্লিংবা অনিগী মরক্তা লৈবা এক্স্রেকসন অমদি রিপলসন কয়া অশি উৎথোক্পা থেংনৈ। মশিদা মহাক্লা অহল হায়বা লৈতে, নহা হায়বা লৈতে মীওইবগী ইপঙ পঙবা মতৌ থৌদোক মচা অমনা হেক্তা য়েকলকই। অদুগা মায়গৈ অমদনা নুপী নুপাগী ওইবা কম্যুনিকেসন অশিদা নিপানা য়াম্না সেরেব্রেল (cerebral) ওইবা অদুগা নুপিনা য়াম্না নেচরেল ওইবগুম্না মশক থোকলকই খুদম ওইনা মাগীশৈরেং "দশা" পনবা য়াই।অদুগা নুপীগী ইশুদা "নুংশিবীবদগী" শৈরেং অশি থোরকই। শৈরেংশিদা হৌজিক লৈরিবা মেল দোমিনেটেদ সোসাইটি অশিদগী সুলোচানা কৌবী চরিত্র অমা মনিং তম্না থাদোরকই। য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা মালেমগী নুপী অমগী মহুৎ শিল্লকই। মশিগা লোয়নন মণিপুরী নুপীশিংগী মেরিটেল ষ্টেতসতা লৈবা ভেক্স ইশু কয়া য়েকপা শৈরেংশু থেংনৈ। তোঙান তোঙানবা নুপীগী চয়েৎনবা কয়া অমসু বিফ্লেক্ট তৌরকই। লোযনন ষ্টেট অশিদা অমুক য়েংলকপা মতমদা লমদমশিগী তম্থরবা নহারোলশিং নন এন্টরপ্রাইজিং স্পিরিট ওফ মণিপুরী য়ুথশিংগী মতাংদা ইকোনোমিগী মতাংদা মাগী শৈরেং "শোৎপা" "নুংশিববুদি নুংশি" "তাল্লক্ত" "খুদোম্বী" "ওন্ন তৈনবা" কয়া অমা থোবকই। মীওইবগী ফত্তবা হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা বেদ হেবিততা কবিনা নোক্লরকই "মিতারকপা"দা। মিদল ক্লাস মোরেলিটিগী মতাংদা মীওইবনা তাৎ পাৎ নুংশিদনা নুংশিবা শাবা,হাৎতোক্লবা য়ানবা নুংশিনবা হায়বা ফিবমদা মহাক্কী "মঙ" কৌবা শৈরেং থোরকই। মসিদা নত্তনা মশিগী অনিশুবা গ্রুপ অশিদা মীওইবগী নাম্মা হোরাৎপা পুমপঙ পঙবা মায়গৈশি শাথিনা শিথদুনা করেম্নরকই।

অহুমশুবদা মথক্কী শৈরেংশিং অশিদগী পুরা নাথৈরগা য়াম্না সেন্টিমেন্টেল টোন,দ্রিম লোজিক অমদা অমদি অনকনভেন্সেল কম্বিনেসনদা, ইনোভেটিপ ফোর্ম অমা ওইনা শৈরেং খর থোরকই। শম্না মহাক্কী "লৈ ওল্লবী" "য়ু ঙাওবা লম্বোইবা" "মরী "(লুনিংলা ইলিজাবেথ)

"[illegible]দরোম্নংদগী" "পাউ অমা হায়[illegible] [illegible] [illegible]

পুক্সিসি রাহস্লোক লৈতবা মমল যাওদ্র। ভংলগী হক্ত পংমং মংগিবদা [illegible] [illegible] [illegible]কলহ্ট মর্দর, রেপ, কিদনেপিং এক্সটোরসন, মীচম হাংপগী ওমোখবা শক্রম [illegible] [illegible]খোবহ্ট। মশিবু মহাক্লা অকিবা, তন্না ঙমদবা, অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমগী মনংদা কযাম কুইনা হিংখিসিগে অহেংবা অমা দরকার ওইদ্রি [illegible] [illegible] তৌরে। মশিদদি মহাক্কী যাম্না ইন্টেলেকচুয়েল ওইবা [illegible] ইমোস্নেল [illegible] [illegible] মযেক শেংনা চোংথোক্লকই হায়না খল্লি।

অবোইবদা কাব উলেল মীতৈগী "এগী মীৎ[illegible]" কৌবা শৈরেং লাইরি [illegible] [illegible] ওইনা নৈনবা ইতিক ইপা নত্তে হায়না খল্লি। অদুনা লাইরিক অশিগী খুৎতা [illegible] [illegible] অশি সেটাইরিক মোদ অমদা পুল্ল লৈ। অদুগা মাংগী টোন অশিগী মন[illegible] [illegible] [illegible] আইরনিক প্রজেন্টেসন্নসু ওপোজিট ইফেক্ট অমসু শাগংপা ঙম্মী। লোয়নন [illegible] করেক্তিপ ওইবসু থেংনৈ। মহাক্কী শৈরেংশিংদা বিয়োলাষ্টিক ক[illegible] ময়াম অমা ফজনা [illegible] দাইকোন, নেবেটিপ, দাইলোস, কমেন্ট, কারিগুম্বা তানজাদা সোলিলোক অমদি তাঙনা ড্রম লোজিক শিজিন্নবা থেংনৈ। মহাক্কী লোল চাংচত্ত লক্লা শিজিন্নৈ। কোলোক্কেল ওই। কাবিগুম্বদা শৈরেং খবদা নুংঙাইবা রাইম থেংনদবা নত্তে। অদুবু লাইরিক অশি করিগুম্বা কাট্টিন্নানংবা ইট্রোদস তৌবা ভুল্লগাদ হেন্না কোমিক রিলিফ অমা ফংবা ফার্সিকেল ইফেক্ট ফজনা মপাবদা পিনা ঙমগনি খল্লি। অদুবু কবি উলেল মীতৈগী মিৎযেং সোসিয়েল সেটাযার, [illegible] [illegible] পোলিটিকেল ক্রিটিসিজম খুৎই আশাদি লোম্বা নাইবরোইদবা ওস্তোক্লা নুংঙাইবা, [illegible] [illegible] ফাগতনা যোম্বা খুন্নাইবু শুদোক চামথোকলিবা শৈরেংশংনি। মরম অদুনা মী[illegible] [illegible] পুন্নমক মাঙথবকালিবা মোরেল অমসুং হ্যুমেন ভেল কয়া আশাদগী কননা "Let the universe give birth to two more G.B.Shaws without delay" [illegible]

[illegible] [illegible] টিক্রি হোংপা কবি উলেল মীতৈ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

য়াওফম্ তাক্প

বর

লুহোং ফান্দ ফন্নিঙৈ
কণ্যান নুংসীৎ খাইবদ তাহৌব বর
নোক্লিংব খাঙ্বদ মনপ্ কাম্থোরক্প,
ইকায়ব ফনব য়ু ব্রাউরি ব্রাউরি থক্লুব বর
মমীৎ তুক্থরক্লুন উইবদ তুব,
ব্রারী মখল্ কয়া লীবী
বর সেন্নবন বরদ।

বর সেন্নবন তাক্প ব্রা নীংসিংদুন
মথ্বাঙ্ তিংন ফন্নগ বরদুন
তুলসী পাম্বীগ মায়োক্লরগ মীৎচানৈ।
বজাই বেঙ্গুন্ খোংলক্পদ
ধোল্ সাইত্রম্ য়ৈরক্পদ
হনুব হনুবীন মপুক্লীংদ চহি নৌহন্নিংন
পাখং লৈসাবীন মথম্মোই ঈরাং হৌন
বর কণ্যাদ মীৎ কৃপ্তুন য়েংই
লাই য়েক্প হৈব কনা অমনদি
ফজব লাই য়েক্লিংলম্গনি লুহোংব অহিংগী।

চীং লেপ্লব বর
বেন্গী নুংসিব ঈসৈ তাবদ
তাল্বু থারদুন মফৈগন্দ
নোকমি নোকমিবু তৌরক্ই
লুহোংফম্গী ভাবোক্ল ঙক্ই
মনাক্ নক্ল ফম্মিন্নবসিং মায় ওন্সিন্নদুন
বর করিনো অম তৌরে হায়নরক্ই,
মোন্দা নুংঙাইরিব বরগী মতৌ উবদ
লৈ কোয়রম্বী কণ্যা

মখোঙ্ থাংগনি কাউরক্লে ,
নবগীঅঙ্গাওব মতৌদ ঈকায়জবদুন
নব সেয়াবন ব্লারৌবপ্ তৌন হায় বরদ
"ঈন্নুংঙো নঙ্বু ঐন তাকপ খঙ্ঙে হায়বদায় ।

ঐগী মীয়েং ২

ব্রাখল্ হোংব

করম্ন পান্‌বীরিবগে'
নুংঙাইজরি।
অহংবসু হংব হৌনবগী হংবনি
অখুম্বসু খুম্ব হৌনবগী খুম্বনি
নে তাদ্রব তাইবংপান্‌বাসিদ।

কনানো নুংঙাইরিব মহাক্তুবু?
অপাম্বগী ঙম্‌খৈ লৈতবমখৈ
কনান মরল্ হেন্ন তান্‌সিন্‌বদ
কল্লক্ মিহৌবগী মৈরা মুৎথৎপ ঙম্‌দবন
পুন্সি মনীং তম্‌দে।

ঐহাকসু,
চাক্লি ফিনিদে হায়বতনি
চোক্‌থরব মপো ক্ অমদি ওইরবনি
অদুবু চাউথোক্‌চব অমতংদি লৈরি
সূক নোম্লুবগী অহিং পোংখাবদ
থোঙ্ থোঙ্‌নাও লোল্লমদবদ
কনান করিসু তৌবদে
কবি লৈব যেংলদে।

মীওইবনিন,
ঈনাক্ খুন্‌বগী মথোন্ নাইন সাব যুম্
মহাউ লৈন থোংব চাক য়েঙ্গাং মনম্
তহি তহি কংন থোল্লব পূক্
অপাম্বগী ব্রাখন্দ করিগুম্বদ মঙ্দি মঙ্ঙি।
ব্রাখল্ হোংলে
অরেম্বনি খল্লে

করিবু কান্নগনি সিবদ পুগদব লৈতবসিদ
হৌজিক্তি,
থম্মোই ঐগী ঈনাক্ খুল্হন্নীংই
পুক্লীং ঐগী পেল্হন্নীংই
মপান্থোংগী তৌসিন্নবদগী নাম্থোক্চরগ
কদোম্দনো চৎকদব লম্বী
ঈংন চীক্ল তপ্ল লৈগদব ঐগী ?

হূই লোইব

অঙাঙ্গন লক্লবদগীনি খঙ্গদে
মীতোপ্ চঙ্গলক্পদগীনি খঙ্গদে
লাক্ল লাক্ল হূইন খোংব তাবসি
হনুব অমদি পাম্দে
চানন সাউই:
নপা য়ান্নিমচাসিংসিদি
করি চাগে হায়দুন তৌজব সারিবনো
সাগৈ সলাই নাইদবসিংসিদি
মরল্ মথুম্ কয়া লৈরদুন
লোইজব সারিবনো হূইবু
অয়ুক্ খঙ্গদে নুমিদাং খঙ্গদে
লাই খূরুম্ব য়াদে
হূই খোংব তায়।

উলেল্গী হূইনবু খোংব হেক্ মতারব
হনুবদুন ঙাঙ্গব সোয়দ্রে,
করম্ন হূই খোংব তারোইদগে
অচাপোৎত হূ হাপ্লগ পীজরসিরা
হিদাক্ফূ প্রোক্ প্রোক্ চিংন চিংন
মৈখু ব্রা ব্রা কাম্থোক্লুন
হনুবদুন ব্রাখল্ খল্লিঙৈ,
মসূনুপা অপীসক্লু কপ্ন কপ্ন চেল্লক্ই
কৈদৌরে হংবদ হূইন চীক্প ওইরম্মী
হনুবদু ফ্রঙ্গ লাউন সাউরক্ই
য়ূম্নোন্নবগী হূই লোইব উলেল্ চৈরক্ই
অদুবু মসূগ সান্নমিন্নব মমান্নব অমন হায় :
পুপু!পুপু! খুরাইজম্গী হূইন চীক্পনি।

চে মচেৎ

উলেল্ হায়বদ
কবি উলেল্ মীতৈবু খঙ্নৈ,
লম্দম্সিদ মাবু খঙ্দব লৈতে খনবদগী
চাউথোক্চরিবনি মসিদগী।

পাউবু ফংলব
সাহিত্যগী থৌরম্লিবু হায়রব
লম্ নক্প লাপ্প থিদন চৎকল্লি
ফম্বদি য়ারিবমখৈ মমাঙ্ কাখৎন ফম্গল্লি
অয়াম্ব মতম্দ লোইবফাওব লৈগল্লি।

থৌরম্ চত্থরিঙৈ,
চঙ্লক্প উরবদি কেমেরা পায়ব মী
খোইরুম্ মোমোন্ নোক্কনি নোক্লিংঙ্গ্রবসু
কেমেরারোম্দ ওলিন্গনি মায়থোঙ্দু
ফোতো কাপ্পদ য়াওখিনবনি মরম্ হায়ববু
কনানো হংনবনি মীন ফোতো য়েংবদ মাবু।

খঙ্নব খঙ্দে খঙ্নদব খঙ্দে
থংনবদ য়ারী হৌজিন্গনি
ঐ কবি উলেল্ মীতৈনি হায়রব মসক্ তাক্কনি,
অমনব পাইত্তু খাউদগী
অমনব দাইরি পুথোক্কনি
পাহল্গনি মীঙোন্দ সৈরেং
চৎনম্রব লৈরাং খোইম্নুগী সৈরেং
ইনদ্রব থাবল্দ নোংইয়্ন পাইবগী সৈরেং।

মহৌসাগ মান্নদ্রে উলেল্
মোবাইলফোন্ পায়খিবদগী হন্দক্,
সাহিত্যগী থৌরম্দবু ওইরো
লম্বী লম্জাওদবু ওইরো
খঙ্নব চান্নব মরূপ্ মপাঙ্ থেংনরব
তেলিফোন্ নম্বর ইব চে পীসিন্গনি
তেলিফোন্ লৈ হায়ব খঙ্হন্গনি।

করিবু হায়রসিগে উলেল্
তৃম্বদ চাবদ চৎপদ খোঙ্হাম্বদফাওব
থাদে কৈদৌনুংদ মোবাইলফোন্,
মতম্গী অঙাওবী লৈসাবী কয়ান
লরুনীংদুন উলেলবু
পীসিন্ব য়াওই তেলিফোন্ নম্বর ইব চে,
লৈসাবীসিংগী তাৎনি খঙ্দবন
লৈতব নম্বরদ তেলিফোন্ তৌনব হোৎনবদ
পাম্মুদে মতম্ মাঙ্ব।

ঙসিদি মীন হায়নব তারে
উলেল্ ঙাওদুন চৎলে
চে মচেৎ তাব উব য়াদ্রে
তেলিফোন্ নম্বর য়াওবর য়েংলে।

লৈদবদগী খন্ব

য়াল্লবদ পালা মাগল্ মাগুব মপুগ তরা
লুপা ১০ পূল্ল লুপা ১০০
সেল্ থাবদ চৎখিগদব পালাদ হোরেন্
মদুসু লেম্হন্গদব লুপা ১০ চৎপী অমদি
পোৎয়েং সেন্ন লুপা ১০০
তঙাইফদন পুদব য়াদব সেল্ফম্ লুপা ২১০
খূৎত পায়বন লুপা ১০০
মসিসু মীঙোন্দগী পূরুব,
ফিদি সেৎলে শ্রার্দ্ধ চৎনব
অদুবু অতন্ব অম পোক্লে খল্লুরগ
মরুপ্ মপাঙ ঈমান্নবন সেল্ থাবদ
ঈকায়গনি ফম্দুন লৈবদ
ইজ্জত্কী উপাই কদায়দনো?
লৈত্রদবু করিনো?
করি তৌব তারি ঐবু হৌজিক্?
বার্ত্তণ অম পীরন্নবনিন
চৎলে মাঙ্ থাগদৌরিবনি সেন্ন
চত্তন তোক্লে করম্নো?
চেঙ্ পূরগ চে সিং ফৌ পূরগ ফৌ সিং
খূৎলং লমল্নি হায়নরবসু মীওইবসি
হেমল্লবনি খরদি খূৎসেম্গী চৎনবীসি
খঙ্হৌরোই থেঙ্খিগনি মতম্দি
করি তৌসিগে অদুদি
ব্বাখল্সি মঙাইরে থবক্ত ওন্থোক্লগে
হায়! মমা! কদায়দ লৈবগে নহাক্
শ্রার্দ্ধ চৎলরোই ঐহাক্
চৎলুরো নহাক্ ওইন ঙাইহাক্,
পোৎয়েংতনি তিংগদব নখোয়ন চৎলবদি
য়ারে সক্ উৎলগ পালাদ সেল্ থাদ্রবসু
খঙ্লবরা লুপা ১০০ সেভ।

মান্নদব ঋাখল্

মচাগী মখুৎ সম্বিরদুন
কোম্থোংলোম্‌দগী চঙ্‌লক্‌পদ
অঙাঙ্‌ মপাদু ঈসৈ ওংই:
ফক্লাং পাঞ্জিকান পাঞ্জি ওইরে
ঈচাগী কুঠী য়েংদ্রে
হজান্ন অঙাঙ্‌ মরূ কোক্‌পীরে
ঈচা মনা হূৎলে
সনা সাফম্‌ কোন্‌সঙ্‌দ সনা য়াল্লুরে
ফজব ফিরোল্‌ থোন্‌বিরে
হল্লক্‌পদ হোতেল্‌দসু চঙ্‌লক্লে
মনা হূৎপগী থৌরম্‌ লোইরে।

য়াম্ন নুংঙাইব মপুরোইবগী মতৌ
তানীংখিদ্রব ঈসৈ খূৎসক্‌ লাক্‌সক্‌
অদুগ লাই মচা মাল্লব
নুংসিরব মচাগী ওল্লব সক্‌ফম
ঊরুবদ অসুম্‌ সাউনিংলবোই
যুম্মুরেম্বী কপ্লিং কপ্লিং তৌরক্লে
তেংথা নাওইববু হৌরক্লে:
করিনো ঈচাদ তৌবিরিবসিবু
ঙাওরবরা মখোয় পাবুংব?
থা পান্‌খৎলক্‌পদ হন্দক্‌সি
নাহুৎ নারেং য়ারগনি
পাঞ্জিদ নুমীৎ অফব অম তানরুগে
বার্ত্তণসু খরগীমখৈদি তৌরগে
অন্ন দান্‌ মহৈ চাউই হায়
দশা লাংফম্‌ কোক্‌ই হায়
ঈচা মনা হূৎপদ চাক্‌ য়াওগে
যজ্ঞসু চাউন তৌগে

কুইরবনি মনব ঐন ৱাকল্লে
করিগীনো মখোয় পাবুংন কায়হল্লবীরিবসিবু?
হায়ব ৱাবমখৈ হায়মল্লগ মপুরোইবদ
পেরি পেরি চঙ্খি নুপীদু ইমুঙদ
মরু কোক্লব মচাদ য়েংলগ
নোংকমি নোংকমি তৌহৌই অশাঙ্ক মপাদি।

মঙ্গাক্ ওইরম্ব

ঈসৈ হৌখিব মতুঙ্ রাগ তাম্রে
সেল্ থাব চঙ্নম্রে
অদুম্ক করিগীনো
ঈসৈ হন্‌ব নুপাসিন
ঐঙোন্দ মখুৎ হাইরিবসিন?
সেল্ অচোয়বসু য়াওরে
পালা মসীংসু থীরে
ঈসৈ নুংঙাইব নুংঙাইতব খঙ্দে
ঐহাক্ সেল্ থাগে নীংই,
নুপীন ঈসৈ সক্প নত্তবনিন
খোঙ্ তিংথোক্লগ ফজন খুরুম্ব তাবনি
হাইন ঐবু য়েংনগদৌরিবনি।
পুং চোলোম্ তৌব
ঈসৈ হীক্থরগ সক্প
মতম্ মতাং লোইন খঙ্ই ঐ
কন্দিম্ব কয়ানসেল্ থারগ হক্তিন্ হক্তিন্
কময় নৌরসিংগে তুম্মিন্ন কক্তুনঅসুম্ন অসুম্,
পুক্নিংন হায়রি: সেল্ থাব চঙ্হৌরো
হাকচন হায়রি: কৈদৌবগে ঙাইহাক্ ঙাইখো
থম্মোইন হায়রি: ঈসৈ লোইখন হাজবিনি
করিগীনো ঈসৈ হন্‌ব নুপাসি
ঐঙোন্দ মখুৎ হাইরিবসি
অয় কৃষ্ণ! সিরগ সি চঙ্লগ চং
মীঙোন্দগী পুরক্প সেন্নি কাউরগে
পাজাদ সেল্ থারম্লগে।
করিগীনো সেল্ থাব লোইকগী খোরক্পদ
ঐবু য়েংলগ নোক্প য়াওরিবসি!
পুং নৈব ঈসৈ হন্‌ব দুহায় খোন্থাংব

মথঙ্ মনাও কায়ন সেল্ থাস্ত্রবরা?
হনুথংদ ঐবু সোয়স্ত্রবরা?
করিগীনো ঈসৈ হন্ব নুপাসি
কোক্‌য়েং থল্লগ থোরক্লিবসি,
অহায়! অতৈ কনা অম নত্তেদন মসিদি
ইম্মাক্ নুপানিদন ঐহাক্কী
ঐদী সেল্ থাব চঙ্লুরে
মকূবোক্র মম্মাক্ খুরুম্লুরে।

খোয়রি নাউফম্

অঙাঙ্ তাঙ্ব ইমুঙ্দ
মমৌ নুপী মচা পোক্লে তাবদ
মনেম্বোক্ হনুবী হরাওই
মসৃ মসক্ য়েংনিংলক্ই
মপৃক্লিং নুংঙাইব হেল্লি নুপানি হায়বদুদ
অদুবু চহি যাম্বগী হক্চাং সোন্বন
চংলুগে খন্দ্রে চংনীংলবসু মমৌগী মনাক্ত।

মনেম্বোক্ হনুবীন লৈকায়গী মীদ হায়:
ঈসুগী সষ্ঠি পূজা চাউন সোন্গনি
কবোক্ হৈবোক্ চানব য়াম্ন লাঙ্গনি
সঙ্গোম্ ক্ষীব তেক্চাউ মঙা তরা হৌগনি,
লৈকায় মীনসু ব্রা হায়জিল্লকই.
চাজনিংদে চাজনিংদে অথুম্ অহাও
চাক্ চাবদুনি ঐখোয়ন পাম্জবাদ.
ঈবোহল্! নচাস্ নুপানি
ঙম্নোইকো ঈনম্মন হায়বিবসি য়াব
লাক্লদৌরিবনি ঙম্লোন চাক্ চাব,
ব্রা মরক্ থৎলক্ই মনেম্বোক্ হনুবান:
ঙাইখো ঈবেম্মখোয় অমুক্ত
হংগে করিনো অম,
পুরক্খিব্রা দাক্তরদগী খোয়রি নাউফম্?
ফুম্খিব্রা মখা থংব ঈনেখাদ?
খঙ্দে উদে হায়বদুদ লৈকায়গী মীন
মনেম্বোক্ হনুবীদু পাখৎলি
মচা নুপা কৌরগ হংই:

ঈবুংঙো নঙবু লাউ ব্রা হায়গে
খোয়রি নাউফম্ পুরক্প্রা দাক্তরদগী?
চফ্ পীখিবনি ঐন হাপ্পক্লব মদুদ
মোমোন্ নোক্ল মচানুপান খুশ্মী:
করি তৌনরুগনি খঙদবন পুরক্লে
নসৃন হয়েং চাউরগ ঈমা!
মালেম্ থুংন থিরসনু
খোয়রি নাউফম্গী লৈফম্।

মিতারক্প

অংনা লায়েংসঙ্ অমগী ফমুংদ
অনাব অমন নাহে
অয়ো অয়োনে,
অনাব সেবা তৌবী নর্স অমন হংঙি:
পুপুগী কোক্কী সম্ কনান ফোয়বগে?

ব্বারী লী অনাবন
অনাবগী চৈনা খাঙ্ন খাঙ্ন:


নুপী অনী লোল্লী ঈবেম্ম ঐসে
নুপী অতোন্বীন ঐবু
পাঙ্গল্ কল্হন্নীংঙি পাখঙ্গুম্ ঐবু
করিবু হায়রুগনি মান নহা ওইহন্নীংবসিদি
সামু লম্সা ওল্লু ঐবু হায়রিবনি,
নুপী অতোন্বীন ঐবু
ঈসক্ ফজহন্নীংঙি অঙক্প ফংন ঐবু
করিবু হায়রুগনি মান ঐবু কেবীবসিদি
সুৎ তাই তৌবীবত নত্তে পাউদরসু থাবী
খুইরব মায়থোঙ্গী উন্নাদ ক্রিম্সু তৈবী।

নুপী অহন্ন নৌথৈ
অসুম্নসু হায়জৈ:
অহল্ ওইর্বনিন মোয় পাবুঙ্!
পোক্ হৌবগীসু ফজব লৈ
অমুব সম্ হৌহন্নীংদে
সিনেমাদ দ্রামাদ অহল্ সাবন তৌবগুম্
ঐগী কোক্কী সম্ ঙৌহল্লি।

নোংম নুমীৎ অমদি অসুম্ তৌই
মখোয়ন কৌসিল্লগ ঐবু ফম্হল্লি।

নুপী অতোন্বীন অভৌব পোক্মখৈ ফোয়
নুপী অহন্ন অমুব সম্মখৈ ফোয়
নুপী অনীন সম্ ফোয়ব তান্নবদ
কাঙ্‌ক্রম্ ওল্লব ঐসে অনা লায়েংসঙ্ যৌবক্লে।

হৌজিক্তি,
যুম্গী নুপী খাইননীংলে
সেবা হৈবী নর্সকুম্বী অম যেংনীংলক্লে,
ব্লারি তারম্বী নর্স নুপীদু
মম্মীৎ খংলাও লাওথোরক্ই।



নম্বর থাব

মমা নঙবু অমুক্ত লাউ
বারী অম সাসি লাউ
ফম্মু ফান্দ।

ইমুঙ্ অমত্তদ লৈমিন্নবী
য়ুম্‌গী মৌনি হায়নরবী
ঈমৌসিং য়াহৌনখিব তারে
নুমীৎসু তরং তরং হুন্দোরক্লে
ঈমৌ ঙম্ম ঈরুজনরম্নগনি
বৃন্দাদেবী মখোঙ্‌দবু
হে লৈ ধূপ্ থাউমৈ কৎলরগনি,
অয়ুক্ লাই খুরুম্বদ
তুলসি মুন্নবী ঈমৌ অংহম্‌গী মতৌ
য়েংসি ঙসিদি মমা।

মীগীদি ইমুঙ্ অমগী তুলসিবুঙ্ অম লৈ
ঐগীদি তুলসিবুঙ্ অহূম্নি
গম্নাদ তুলসি পাম্বী অমমম্ থাই
সুমাঙ্ অমখক্তদ তুলসিবুঙ্ অহূম্ সেম্মী
ঈমৌ মসীংগ মান্নহল্লি।

য়েংঙু মমা ঈমৌ থোরক্লে,
ঈমৌ অতোন্‌বী থোরক্লম্নগ চঙ্‌খ্রে
ঈমৌ য়াইম লেপ্লম্নগ হন্‌খ্রে
ঈমৌ অহল্ চুরি তাফম্‌দগী মমায় লৈখ্রে,
গম্না খুদীংদ থারসিরা হা! মমা!
মৌ নম্বর বান্, মৌ নম্বর টু, মৌ নম্বর থ্রী,
মসক্ খঙ্‌জনব মখোয় মখোয়গী বৃন্দাদেবী।

মঙ্লান্

নুপান হংঙি:
থেঙ্লবনি মতম্সি
কদায়দ চৎকনি হায়রম্বগে নচানুপীদুবু?
করিগীনো নহান্মখৈগ মান্নদ্রিবসিবু?
হল্লক্পা য়ারে ঈবেম্মদুবু।

পাক্ হেক্ খুম্দে নুপীদু ঙাইহাক্
অদুবু নোক্মি নোক্মিদি তৌই মায়থোঙ্
থবক্ ইন্খাঙ্ নোম্ন নোম্ন হায়:
নুমীৎ খুদীং কোরৌহন্ব খুরুম্জরিবী ঐনী
ঈবুধৌ ঈবেঙ্কৌগী লাইসঙ্ কাজরিবী ঐনী
ঈচাগী য়াইফ নুংঙাহব নিজরিবী ঐন্নী
চহি ৪০ হেন্গে হেঞ্জসনু
মরিংন সাব সঙ্বায় পোৎপা কায়দে হায়
লাইন তম্ব অম লৈরম্ব য়াই
ঈচা চেন্খিব সোয়দ্রে
ঙসিদি ঈচাগী চাক্ হাপ্ত্রে
ঈয়া মসক্ খঙ্নীংলে ঐদী
ঈসু অপীসক্ পম্লিংলে ঐদী।

মতম্ন অসুম্ থেঙ্জিল্লক্নগ
হরাওব হেন্গৎলক্ই নুপীদি
নুংসা থীরম্ব মপুরোইবদু
লৈসাবী সরীনি খঙ্লক্পদ মচানুপীদু
মাগী নুপীদ হংঙি:
কালেন্গী ১০নি পান্ব নৎত্রা ঙসিসে?
নিংথৌকাব নুমীৎনিকো ঙসিসে?
মতৈ মনাও অনীদু য়েনিংথা নীংসিংবদ

সিথ সিথ থরায় তান নোক্লিগৈ

মোল্লি মোল্লি চঙ্লক্লিবী মচানুপী উবদ

মপুরোইবদ খুনীংন কক্ কক্ থিল্লি নুপীন

বারী সারম্ব খংলেপ্ লেপ্পগ মপান হংঙি:

কদায়দ চৎলুই ঈবেম্ম নঙ্বু

মচানুপীন খুম্মী:

ঈমান্নবী অম উনবদ থেঙ্দোক্খ্রে পাবুঙ্!

অথেঙ্ বদ

নঙ্ লৈ হায়ব ঐ খঙ্ঙি:
নুমীৎ থা থোক্লি
উপাল্ য়াপাল্ হৌরি
হৈ লৈগী ফজব মাঙ্দ্রি
চীং তুরেল্ পাৎ লৈরি,
নোং অমুক্ ঙাল্লি
নুমীৎ অমুক্ তারি
নঙ্গী খুৎসেম্ কায়দে,
লেঙ্লি পাল্লিব উরিব পৃম্ব
অচৎ চত্ত খোংলি লাউরিব পৃম্ব
মাগী মাগী মথৌ তৌরি
তাইবং মালেম্ ফম্পাক্থক্ত
নঙ্গী কৃম্হৈ সান্নবন
খঙ্বনি ঐন নঙ্ লৈ হায়ব ।

মতম্গী খোঙ্চৎন লেপ্তবন
নুমীৎ থা চহি সাগৎলক্ই
কুম্জা কুম্ওন্ য়াম্সিল্লক্দুন
হক্চাংগী পাঙ্গল্ সোঞ্জিল্লক্লে,
সম্ মচু ওল্লক্লে
য়া তেক্সিল্লক্লে
না পঙ্সিল্লক্লে
মায় খুইজিল্লক্লে
উন্সা মসূপ্ মসূপ্লে,
ঐগী পুক্নীং হম্ব্রক্লে
ঈসানা য়েংবদ উজরে
ঐগী সক্ফম্ ওল্লম্লে
খঙ্জরে ঙসিদি,
নহাক্ থুংলরে হায়বসি।

নৌথোক্‌প ব্রাখল্‌

পোৎ সীৎলম্‌গদব মাল্লি মাগী দুকান্‌সি
নহাদগীন মীয়াই চন্‌বফাওব য়াম্ন চঙ্‌ঙি
মসক্‌ হায়র য়েংব য়ান ফজৈ
মতৌ অমসু লৈজে
হনুব অমসু ক্না চাব চঙ্‌ঙিনে !

পান্‌ দুকান্‌ ফম্বী নুপীসিন
মোমোন নোক্ল ঙাঙ্‌ব ব্রা
কনা য়াওগদগে তানীংলোইদব
তনৌরবী নুজাসিগী খৃৎসান তপ্প ক্না
ক্রনা লৈগদগে চানীংলোইদব
পান্‌ দুকান্‌ ফম্বী নুপীসি
মপুরোইব লৈবী ওইরম্‌গদ্রা?
মৌ হল্লক্‌পী ওইরম্‌গদ্রা
মচা লৈরম্‌গদ্রা
মচা লৈরন্নবসু অম মঙায় অনী মঙায়।

পান্‌ দুকান্‌ ফম্বী নুপীসি
মপুরোইবদু অচৌব থবক্‌ তৌরম্‌গদব মান্দে
নুপীসি পান্‌ দুকান্‌ ফম্‌হল্লিনে,
ক্নাদি চাদে হায়ববু ঐ
ক্না লৈরুসিরা ঐ
নক্‌সিন্ন য়েংব ফংবদ পেন্নব থম্মোই।

পান দুকান্‌ ফম্বী নুপীসিগী
ফিইন্‌ লাক্‌ইন্‌ মীৎয়েং নায়েং
ব্রাহৈ ব্রাতা মীকৌ মীরম্‌
ব্রাশী মতা অমনি

য়েংলুব খুদীং সুম্হৎলী
পুক্নীং ব্লাখল্ নৌথোক্হল্লী।

কদায়দগী অপাইব ব্লাখন্নো
ওইবদি য়াররোইদবদ!
ঐগী নুপীগী মসক্ক
পান্ দুকান্ ফম্বী নুপীগ ওন্ননীংলিবসিবু!

করিগীনো লেংজুম্ পায়রগ নোল্লিবদুবু
ঙাওব নত্তে ঈবেম্ম ঐসে
থাদোক্লোইনে পুন্সিগী নঙ্সে
পান্ দুকান্ ফম্বী নুপী অম নীংসিংলিবনি
সৈরেং ইবগী পরীং সাগৎলীবনি
তুম্মীন্ন লাক্লগ খংহন্বদ
ঐগী সৈরেং লোইসিন্হৌদ্রে ।

হুই খোংব

হংঙি মন্ত্রীন মাগী প্রাইভেট সেক্রেটরিদ:
দি: আই: পি: আর:দ চৎলুরব্রা?
প্রেস নোট থোক্লুব
কেবল্ নেটৱাক্কী মী উনরুরব্রা?
পাউ লাক্পদ উৎলক্লুব,
পাউজেল্ চেগী পাউমীদ খঙ্হল্লুরব্রা?
পাউজেল্ চেদ হাপ্লক্লুব,
মন্ত্রী মোমোন্ নোক্চৈ
প্রাইভেট সেক্রেটরিগী পাউখুম্দ
মঙ্লান্ অম সাগৎলি
প্রপ্ প্রপ্ ওইহন্নিংঙি হয়েংসি ঙসি
লৌতাংসঙ্গী যাত্রা হুন্নিংঙি হৌজিক্ হৌজিক্সি,
মন্ত্রী হুই খোংন খোংন.
মফৈগন্দ পোপ্ পোপ্ য়ৈ।

চাক্সঙ্দগী থোরক্লুন মন্ত্রীগী নুপী
চেপ্থদুন য়েংঙি কনানো হুই খোংলিবসি
মাগী মপুরোইব মন্ত্রীন ৱা ঙাঙ্ব তায়:
করম্ব ৱাঙাঙ্দ মীয়াম্ন খূবাক্ খূগদগে
করি ৱাহৈদ খ্বাইন ঐবু থাগৎপীগদগে
মন্ত্রী হুই অমুক্ খোংঙি
মন্ত্রীগী নুপী খোঙ্থাং অম অনী হঞ্জিল্লী
খঙ্দব সারগ ইমুঙ্দগী লাউরক্ই:
হো! কনানো হুই খোংলিবদুবু
মোন্দা নুংঙাইখ্রেদকো ওত্থোক্লসু
ইমুঙসি লক্ষ্মী চঙ্লরোইদো
মন্ত্রীগী নুপী থোরক্ই
নোক্লিংব খাঙ্লগ ঙক্সিন্নৈ:
হাইমা! অতৈ কনা নত্তেদনা

মখোয় পাবুঙ্ মন্ত্রী ঈবুংঙোনিদনা
কর্ফিয়ু তৌরে লাউরিবসি তাবীদ্রব্রা?
কৈথেল্সু কায়দুন চেন্নরল্লগনি
কদায়দনো যাত্রা হুন্গনি হায়বদুবু?
কনা অমত্তসু চখোক্ খোত্তোক্প য়ারোইদবসিদবু
কর্ফিয়ুদ যাত্রা হুন্বগী কনা লাক্কদৌরিবনো?

মাগী নুপীগী মনাক্ত চঙ্সিল্লী মন্ত্রী
খঙ্নিংদুন হংঙি তপ্লপ্ল
মায়থোঙ্দি সৃক্থরবসু সৃক্থন:
হা! মমা! করি হায়ব !
মাঙ্খ্রব মী অম সিন ফংলে হায়ব!
লৈবাক্ ঈরাং হৌরে হায়ব!
মদুগী কর্ফিয়ু থল্লে হায়ব!
মদোম্ তুমীন্ন সোল্লি:
হয়েংগী যাত্রা হুন্বসি সোয়হন্নিংদবনিদা!

নুংসিববুদি নুংসিব

নুংসিজরুরে নঙবু থম্মোয় সেংন
পাম্জরুরে নঙবু পায়ম মান
অদুবুনে হে! চান্নবী নঙন
নুংসি পম্বুং তম্দুন
চৎলসি কদায়দনো ঈবান্নি
খুজেং পালোইনন পুবীরো হায়রক্পদ
করিগীনো খঙদে পি সীন্থ্রে
নুপা ওইরবসু পাঙদব ওইরে
নুংসিববুদি নুংসি নঙসে
অদো যুম্ পান্বদি কি হায়ব।

কুইরোই মতম্ খরদগীনি
ঈমান ঈপান মচা মমৌ লুন তৌবীবসি
খুৎ কারাঙ লোন্সিল্লগ লৈব য়ারোই
ফাওরক্কনি অসুম্ ঈকায়ব
ঈচা য়াওসিল্লক্কনি
পৃখম্ মসীং হেন্গৎলক্কনি
নুপান নুপী অঙাঙ থাক্প তাবনি হায়রক্কনি
নুংসিবদ অব্বায় অখুম্ তৌনরক্কনি
খল্লুরগ কোক্ ঙাওই ঈবেন্ম!
নুংসিববুদি নুংসি নঙসে
অদো যুম্ পান্বদি কি হায়ব।

শরৎ কিশ্বর অক্ষয় কুমার ঈমান্নবসিংসু
কিবনরা মখোয়ন যুম্ পান্দ্রিবসে
পাখঙ ওইদুন লৈরিবসে,
শান্তী নন্দিনী মায়া একান ময়ূম্ পান্দবসু
নুপাদ তাইনব ঙাক্ত য়ারোই খঙবনরা

হংনিংলক্ই তুস্মীন্ন
মখোয়ন লৈসাবী ওইরিবসিগী মরম্ ,
ঙসিগী পাখঙ্ লৈসাবীসিং ঐগী মরূপ্সিংসে
নুংসি নুংঙোন্দ নীংব থুংদদুন
লোৎলিবরা ফোংদোক্প য়াদব ৱারী অমমম্?

নঙ্ন ঐগীদমক্ লেপ্পীবদ
ঐন নঙ্গীদমক্ লেপ্চবদ
কায়দে করি অমত্ত
অদুবু মতীক্ চাব মী ওইদ্রি খঙ্লক্পদ
নুংসিবদগী খোঙ্ফম্ হন্দোক্পসু ঙম্দন
নুপা ওইবগী পাঙ্গল্ কৈদনো মাঙখ্রে,
নুংসিববুদি নুংসি নঙ্সে
অদো য়ূম্ পান্বদি কি হায়ব।

চমম্ব

কাউদ্রি ঐ
নীংসিংলি ঙসিসু
ঈপান তাক্পীব ঈমান তম্বীব:
অয়ুক্ অমুক্ নুমিদাং অমুক্
অনীরক্ কংকদবনি নোংমদ
ফুংগা লাইরু ইমোইনু ঈমাদ
ঐখোয়ন চাননব থোংব চাক্ এঙ্গাং।

য়ুম্‌সিদ লাক্পসু কুইদ্রি
ইমুঙ্গী চংনরোল্‌সু খঙ্‌দ্রি
অদুবু করিনো হৌজিক্পু ঐবু
হংগদবসু হংগোই,
ঈকুবোক্ লাই খুরুম্ব লোইরক্লগনি
ঈনেম্বোক্ ঈরুজব কারক্লগনি
চাক্তি লোইরে
অদুবু খঙ্‌দ্রে
কংকদরা কংলোইদরা য়েঙ্গাংসি
সরুক্ তম্বদ ঈবেম্বৌগী!
মুরুম্ মুরুম্ সোল্লি
মৌ অনৌবী।
মকৃবোক্ল হংঙি
চন্দল্ উপু পুসিল্লক্পদ:
ঈমৌ ঈবেম্ম নঙ্‌বু তাববা?
ঈকু চাক্ চাব য়ারদরা?
ঈহে! কাউরব্রা ফুংগা লাইরুদ য়েঙ্গাং কংপদি?
মমৌ নুপীদু নোক্ফেং তৌই
মকৃনোক্ল উদনব মমায় লৈথোক্ই
তেংকোঙগী থনোই অম পাযখংলি
ফুংগা লাইরুদ কংপ চাক্ মথক্তে [illegible]।

ঈনাও নুপী

অয়ুক্তবু ওইরো নুংথিন্দবু ওইরো
নংত্রগ, নুমিদাংবাইরম্দবু ওইরো
মনীংদবু চংলে ঈনাও নুপী
মমাঙ্দবু চংলে ঈনাও নুপী
য়েনখাদবু চংলে ঈনাও নুপী
ইমুঙ্দবু চঙ্লে ঈনাও নুপী
ঈনাও নুপীগ থেংনদনব হোংনবদ
মতৈ ওইব ঐদী ঝারে।
খুনু মকোন্মুক্ চাউব য়ুম্দ
ঈনাও নুপীগী ঈনাও নুপী ঙাক্ত লৈ
নীংথি নুংঙাইব মফম্ থম্দবন
মনীংময়াগী অথূ অকায়গী খোঙ্চত্ত
মতাঙ্ চাদবসু থোক্রে।
ঐগী ঈপাসু ঙাঙ্গল্লি
ঐগী ঈমাসু চৈগল্লি
মৌন মকোক্ খুম্দব য়াদে
মতৈ উরগ মতৈগী মমাঙ্দ
অদুন অহল্ লমন্বু কিন চংচৈ
মৌন মতৈবু ঈকায়ব হঙ্গোইব উংচৈ
করিগুম্বদ,
কোক্খুম্ ফি সেন্নহৌদবী ঈনাও নুপী
য়াওই ঈকায়ব নংবসু,
ফিরৈ চেংন য়েপ্‌সিন্দন
চরৈ ফি কোম্‌গোম্নন
মচা খোল্লাং মায়োক্লরিঙৈদ
মতৈ লাক্প উহৌদদুন
কোক্খুম্ ফি লৌবগী হৌগৎপদ
য়াওই ঈকায়ব নংবসু।

নাকন্দগী

মহৌসাগ মান্নদব মতৌদ সুলোচানা
হেন্ন হেন্ন কেখৎলক্পদ
লৈকায়গী মীন ঙাঙ্নৈ
উরগ মতৃংদ নোক্লে।

খ্বাইন খঙ্ঙি
মমাঙ্ঙৈগী এম্: এ: থবক্ ফংদবীনি
লৈসাবী সরী ওইন লৌরক্পনি
উলেল্ন য়াম্ন নুংসিজবীনি
অদুবু সুলোচানাগী অৱাৎপ হায়ববু
মচা লৈতে হৌজিক্সু।

য়ুম্গী মৌনি তাক্চরশ্বী সুলোচানা
লাইবক্কী চন্দন্গী মহুৎ সিল্লে বিন্দীন,
তঙাংবী চীন্বাল্ গুলাব মচু মাল্লে
পীসুম্ কা হেন্ন মুরে
অয়াম্ব মতম্দ কা চারে
সন্নাং লেংপাক্ত তুবৎ কক্লে
সুলোচানা শারী সেৎলে
য়ুম্গী মখাদ ঙাইহাক্ত লৈতে
অদুবু উলেল্ন করিসু হায়দে
ৱাখল্ ফদোক্ই।

নোংম,
মাঙ্গোল্দ অসুম্ ফন্নিঁগৈ
নুপা খর চঙ্লক্প উই
উলেল্ন য়েংন য়েংন খল্লী:
কনা কনানো চঙ্লক্লিবসিবু
করি তৌব য়াওরবনো

কোম্ছোঙ্ ওন্নব ওইরম্গদরা ?

নুপা অমন হংলক্ই:
মসিবু উলেল্গী সঙ্গাই ওইবীরব্রা?
খুম্দব য়াদদুন খুম্মী উলেল্সু,
মান্নি ঈসানি করিগী তাক্পীগদবা?
নুপাদুন মখা তারক্ই:
অদোম্গী লোয়নবী সুলোচানাদু
ঐগী ঈচানুপান চেল্লক্লে
নুপী হায়দোক্প লাক্চবনি,
উলেল্ মমীৎ য়ুংখৎলক্ই ।

ফি সূব

নীনি মরক্ হুম্নি মরক্ ফি সূই
ফি সুব সূধা সাপোন্ য়াওই
পাঙ্গল্ ৱাবদ নত্তে সেল্ তিংঙি,
লুহোংবগী শ্রাদ্ধগী নুপী হায়দোক্পগী
মরম্ অম নত্তুগ মরম্ অমগী
নোংম কাংদে চৎপদি
ঐখোয় নুপান তৌরিবসিদি।
নুপীদু মথন্ত ৱা ঙাঙ্জে:
নুপীন নুপাগী ফি সূফম্ থোক্ই
নুপাগী সেবা নুপীন তৌগদবনি খঙ্ঙি
অদুবু ফিঙৌ সেৎলগ পুক্নিরোল্ থিবনদি
কুইব য়ারোই চাক্খূম্ মৈ মূৎলবদি,
নুপীদু সাউনিংলক্ই হেন্নদুম্
ফি সূব হৈনদ্রে থোইনদুম্
ঙসিদি চৎপ্রা য়েংগে
মবেন্ম ঐগী ঈতিক্ খঙ্হন্গে।
নুপীদু ঈসৌ লাংঙি:
অৱাংগী ঈতৈদি কয়াদ ফগ্রব!
সেল্ পুরক্ই ঈসৈ য়াওবনিনা
ঈসৈ ঙংঙি ফি সূবদ ঈচেদি!
অদুবু কদায় ঐখোয়গী নুপাদি
নুমীৎ চূপ্প ভাবোক্ অহল্ ওইরুবদ ফংলক্প
সেৎপ য়ারোইদব কাঙ্খল্গুম্ব খূদৈ অম
করি তৌনগদৌরিব দক্ষীনা সেল্ লুপা মঙা
নোংঙান্বগ থবক্ চিন্ব
ইমুঙ্গী লৈতবদি খঙ্বীদব
ফম্ব ৱারন্নগনি অয়ুক্তগী হোটেল্দ
চৎনব লাঙ্লগনি অদুগী আদাগী হঞ্জিল্লক্লগ
চাক্ থোংলোই ফি সূরোই তূম্দুনবু লৈগে

ফি তীংব খুদেং চাক্খুম্দবু থম্গে।

নুপাদু মোল্লি মোল্লি চঙ্লক্ই
চাক্ লোইরব্রা য়েংঙি
ফি তীংব খুদেং উই
মাগী নুপী লৈবরা য়েংঙি
ফমুংদ নাখোক্প তায় ,
ব্রাখল্ চফক্লরব নুপাদু
ঙেক্ ফম্থৈ ফম্মাঙ্দ ।

তাল্লক্তঃ

ময়োম্ খর পায়রগ
নিংসা মপী ফুয়ন হোল্লগ চেল্লক্লিব
মপুরোইবগী মতৌ উবদ সুলোচানা ঙক্ই
করি তৌরবনো হংই
তফিং তফিং তহা তহাবগী মরম্,
অদুবু নুপীন হংব খুম্বগী মহুত্ত
চৈহৎপন হাল্লি মপুরোইবন:
নঙ্গী ব্রা তাব লায়রি
ঐগী মিহুল্ খাঙ্তপ্ত হুল্লি
কাঙ্খদ লোৎকে ঐ
মী লাক্পরা য়েংউ নঙ্
সক্খঙ্দবন হংলবদি লৈতে খুম্মু ।

মপুরোইবদু কাঙ্খদ তুমথখ্রমাল্লে
নিংসা পীক্থখ্রে
অদুবু মাগী নুপীদি মিপাইরি
মরম্ খঙ্দবগী ব্রারি
ব্রাখল্ লম্ফে খল্লী ,
করি করম্ব অরান্ব তৌরুরবনো?
ফাগে পুন্গে কনান থিরক্লবনো?
সুমাঙ্দগী কোম্থোঙ্লোম্দ চৎলি
কোম্থোঙ্দগী সুমাঙ্লোম্দ হল্লক্ই
য়ুম্দ কনা লাক্পগে য়েংবদ
সুলোচান মীৎলি নাই
চোক্থরদুন মাঙ্গোল্ উখোঙ্তেন্দ ঙাই ।

মোল্লি মোল্লি মপুরোইবদু থোরক্ই
অদুবু মমীৎতি কোইরুক্ কোইরুক্ য়েংই
করি তৌরবগে ঙসিসিবু

নুপীন হংবদ খুম্মী:
দুকান্ অমদ পোৎ পঙ্তম্দ তম্হল্লগ
অদুসু লৌগে অদাসু লৌগে হায়জিল্লগ
অতৈ পোৎ ওল্লিঁঙে দুকান্দারন
তাঞ্জা য়েংলগ কনা উদ্রিঁঙে
ময়োম্ খরসি পায়রগ চোল্লক্লিবনি
ঈসিং খর লৌরু ।

মপুরোইবগী মতৌদ
থবাক্কী মিহুল্ য়েংজৈ মথন্ত নুপীদু
অদুগ সীম্থরক্ই পিসু।

হনুবীগী সম্জেৎ

নমৌ অম থিজিল্লোদন হনুবী
কোল্লিক্ ফেঙ্ব চাক্ থোংব ফি সূব
মকৃপ্ মতাগী থবক্ নোম্বদ
য়েংব নুংঙাইজদে ব্রারন্নগনি হনুবী,
মাবু নুংসিব কয়াগী ব্রাহে নীংসিংবদ
নোক্ ফেৎ তৌই হনুবীদু ঙসিদি।

হক্চাং চন্ব মিংসেল্ য়েংলদুন হনুবী
নাপ্পদ তখেল্লে নাচোম্ থেৎচিল্লি
সম্জীসু হাঙ্হল্লোইসিরা খল্লী,
চীন্বাল্ সঙ্লে পীসুম্ য়েক্লে
মমায়-নাল্লে ফিইন্ সেন্লে
য়ঙ্ লাউবী হৌজিক্ মতম্গী নুপী সারে
হনুবী মান্দ্রে ।

মনেম্বোক্ল য়ারদরা য়ারদরা হংঙি
মমৌ নুপীন ফজরে ফজরে খুম্মী
মনেম্ মমৌ মকে সেম্ব হোৎনবদ
লোইব খম্ব নাইদে।

মপান্দগী কৌনরক্ই,
হনুবী থোরক্প মতম্ ওইরে
সুমাঙ্ মাঙ্গোল্ মীন চোন্ন তিল্লে
খ্বাইন হনুবীবু ঙাইনরে ।

মমৌ নুপীন মনেম্গী মখূৎ পায়রগ
তপ্লপ্ন থোঙ্জীন্ কাম্থোরক্প উবদ
য়া লাউন ময়াম্ নোক্ই
হনুবী থোরক্এ হনুবী থোরক্এ লাঙ্ই।

বাঁথ দে হৌরে
কেক্ কক্লে
হনুব হনুবী কেক্ ইম্নে,
মপুক্লীং নুংঙোল্লব হনুবন হায়রক্ই:
সম্ মচু সঙ্লবী হনুবী লৈসাবী ওল্লে
হনুবীগী সম্জেৎ তোঙান্খ্রে
চহি নৌহন্নিংখ্রেদা ঐহাক্সে
পাখঙ্ ওইনিংলক্ইদা হৌজিক্সে
ঐবু ঈসৈ ঙংলসিরা?

দশা

অৱায় অখুম্দ তোম্বীরৈ হাইফেৎ লৈখৎলক্ই:
সৈরেং লাইরিক্ ফোঙ্লে
কবি ওইরে নঙ্সে
উবদ খঙ্নব লাইবিক্সি থল্লিবনিনে
সেল্লেপ্ মাঙ্দুন তোক্লব
মীন লৈরগ পাবিবসু নত্তব
থম্বীরগনু ৱাই চিন্নবনি
উপুদ খর্মি লৈনবনি
হো! অইবা!
সের ফালাদ(কিলোদ) ওল্লগ য়োম্হোক্লসি লাইরিক্সে
ঙরী লৈবনবু ফববনে,
ঙাঙ্ন ঙাঙ্ন তুম্মীন্ন লৈতে তোম্বীরৈ
লাইরিক্ মপুন্ মপুন্ চিংথোরক্ই উপুদগী
পোপ্ পোপ্ থাদৈ লৈমায়দ,
ফিগে ফনেক্ মুগা ফি
সো বোক্সত হাপ্চিল্লি মখল্ মথেল্
অৱূ অহেন্ নুপীগী লৈতেং।

মপুরোইব তোল্লমু
মপী ঈরা চেন্দে হায়বত ঙায়
মখোয়দৌ থীৎন সাউনিংঙি
মাগী নুপী তোম্বীরৈদ অমুক্ য়েং
চোইজাইনারব লাইবিক্ক অমুক্ য়েং
মক্লম্ব বিরা সুক সুক নৈখায,
উফুল্ পক্লব লাইবিক্
মচান্ন ফৃ ফৃ কাম্খোক্ই
ৱা ঙাঙবদ কাপ্ল কাপ্ল তৌই:
নঙ্গী লুহোংবদ যাওরক্প সো বোক্সসে
সীজিন্নব য়াদ্রবনিনে ঐহাক্সে!

নুপান লাইরিক্ অমুক্ হাপ্‌চিল্লি
নুপীন লাইরিক্ অমুক্ লংথোক্‌ই
উপু মুন্নবদ উপু মিংসেল্ কায়
সেং সেং চীন্দগী খুৎ থোক্লরক্‌ই।

চুরিদ ঙসাইমখৈ লেপ্তুন লৈরিব উলেল্
উপাই লৈতদুন খৌদেম্মি
তোল্লমু তোম্বীরৈ মতৈ মনাও খৎনব তোক্‌ই
উলেল্ নোক্‌ফেৎ তৌই:
লাইরিক্ ফোঙ্‌খিব থা য়াম্লে তোল্লমু
সেল্ সিংলো হায়গে লাক্‌পনি ঈবুংঙো।

হৈসোই

ঈচা তোম্বী লাক্এ
তর্পণগী হৈসোই পুরক্এ
নঙ্বু তাবরা ঈচা তোম্বী লাক্এ:
কদায়দ চৎখ্রবনোনে মমাদুন।

ময়ূম্ পান্থ্রবী ঈচা নুপীন
লাংবল্ থাগী তর্পণ মতম্দ
হৈসোই পুরক্কনি খল্হৌদ্রে
অদুবু ঙসিদি লাক্এ ঈচা তোম্বী
হৈসোই পুরদুন মপাম্দ তর্পণগী।

ঈচা লাক্কব কুইরে
ঙসিদি চাক্ চামিন্নগে
ইমুঙ্দ চঙ্ঙু নফি হোংদোক্লু ঈবেম্ম!
ঈচা পীজনব ঙা নৈরুখিসিরা ঐবু
হান্ন ঈরুজরুখিসিরা হৈসোই সেম্নব ঐবু
নুংসাদি হাইগৎলক্লেসে !

অরুব অমবু লৈরেনে
সঙ্গোয় সাবদ কুম্সী পুম্বী ফুন্খ্রে
হৌজিক্তি পুম্বী লৈত্রে
মীগী পুম্বীদ তর্পণগী হৈসোই কৎলুরে
তৌহন্নিংলোই ঈসিং ফরোইদবনিন,
ঈস্ফাল্ তুরেল্ নম্বুল্ তুরেল্ ঈরিল্ তুরেল্
তুরেল্ অহুম্সু লাম্বী
করি পাম্বেদি লৈরি
তর্পণ কৎফম্ ঐগী।

অকাউব অমসু থোরক্লেনে

তর্পণ সোন্‌বগী মন্ত্রসু ঐদী খঙ্‌দে
তোয়ন সীজিন্নব নত্তবনিন চীন্‌ফাসু পুদে
অখঙ্‌বদি লৈরম্‌গনিসে
অদুদ কনাদনো হৌজিক্‌পু হংলুগদৌরিবসে!
তানরুসিরা সংস্কৃত খঙ্‌ব ওজা কালাচান্দদ
অদু ঐদী লৌসিন্‌ব ব্রাগনি লাইরিক্‌ হৈতবনিন,
তর্পণগী মন্ত্র খঙ্‌দবন
ঈমারোন্দ সোন্‌বদ ঈশা ঈপুন ব্রারৌগদরা?
গঙ্গাবু পুক্লীংদ পুসি শ্নদুন
ঈসিংগী ঈসিং অঞ্জানি খল্লগ
সিন্তেক্লকী ঈসিংদ তর্পণ কৎপন কম্‌দৌবা।

ফূল্

মহৈরোইন হংঙি:
করি হায়ন পাগনি ওজা মসি?
ওজান খুম্মী:' ফূল্' হায়য়ু।
লৈনি ওজা মসিদি
ফূল্ হায়ব ওইরে লৈসি হিন্দীদ,
তুম্মীন্ন লৈ মহৈরোইদু
ৱাখল্ অমদ উংবগুম্ন তৌই
মমীৎন তরঙ্দ য়েংই
ওজাদ ওন্সিন্দুন অমুক্ ৱারী হৌই:
ফূল্ অম লৈদো ওজা ঐখোয়গীদি
সনামহি কাচিন্ উখোংদ য়াল্লিদো
ফি অমন য়োম্সিল্লি
লৈদু কুইন লৈরবনি
লৈকাঙ্ চারে হৌজিক্তি।

ওজাদু খুম্দে
মাগী মহৈরোইগী ৱারীদি তায়
মহৈরোইদু ৱা মখা তারক্ই:
অদো ওজা ঐখোয় ঈমান হায়বনি
ফূল্দো ঐখোয় পাবুঙ্গীনি
আ! বৃন্দাবণ চৎপদ পুগদৌরিবনি
গঙ্গা তুরেন্দ থাদগদৌরিবনি
নুমীৎ খুদীং ঈমান লাইনিংথৌ খুরুম্মী
ঈমান ঐঙোন্দ হায়:
ঐন হয়েং চাউরগ ফূল্ পুরগ চৎহন্গনি,
মসক্ তাক্কে ওজা
ফূল্ হায়ব লৈদু

ইমুঙ্দ চেঙ্গিল্লগ মহৈরোই অঙাঙ্দু
পুথোরক্ই মান ফৃল্নি হায়ব পোৎসক্তু
মঙ ক্সমদ সিরক্ই মপাগী অস্তিদু
ওজাদু নুংসা থী
মহৈরোইগী মমাদু কৌই
হো ঈতৈম ! অঙাঙ্ন করিনো অম পুথোরক্এ।

পোলাংখোক্

য়াহৌ ঙন্নরে হৌজিক্তি ঐগী ঈমৌসিংসে
য়াম্ল হেল্লে লাই নীংবসু
চাক্খূম্ পুল্লীঙৈ থবক্ লৌতান্নরম্বীসিংসে
তোঙান্ চাখিবদগী অতন্ব পোক্লখিদ্রে
অদুবু তৌগে হায়ন তৌরিব্র খঙ্দে
ঈরুজবদ তূম্ব ফি ফৌফম্ খঙ্দে
নুপা নহা লৈব ইমুঙ্নি কাউ রে
সূর্য দেব খূরুম্বগী য়াহৌরক্পদ
ফনেক্ক মায়োক্লরে অহান্বদ
মঙ্গল্ ওইগদৌরি ঐখোয়সে
অনম্ অহাদি চুরনিসে,
হরে কৃষ্ণ! হরে কৃষ্ণ!
ঙাঙ্বসু কিরে হৌজিক্ মতম্গী নুপীসিংসে
থক্সি খাসি থৌগল্লোল্ থাক্ ব্রাংখ্রে,
মনেম্বোক্তু হিদাক্ফূ অমুক্ চিংই।

মচানুপা অহল্গী মমৌনুপী
মোল্লি হায়নরম্বীদু লৈখৎলক্ই
মথন্ত ব্রা ঙাঙ্ব সারক্ই:
মকে সেন্নগ কেজবদ চন্নফম্ লৈজদ্রবী
তোল্লিদা তলব চাহৌদবী ঐদী
থবক্ কাবী সেল্জাও পায়বী
সক্হেন্বী নুপী কনাগুম্বীগী ফি
ফনেক্ নত্তব শারী
ফিরালগুম্ নুংসীত্ত পাইরি,
ফনেক্ ফৌব য়াদব হো! পোলাংখোক্!
করিগী লৈরি লেপ্তুন মায়োক্লফম্দ নঙ্বু!

মমৌ অহন্দু ইমুঙ্‌লোম্‌দ ওন্সিল্লি
মাগী নুপা কৌব সারক্‌ই:
হো! নঙ্‌বু তারিবরো
খোম্লেল্ মীৎকপ্ থোক্ত্রিবরো
ফনেক্ ফৌফম্ অম য়েংবিরোলাউ।
নুপা নুপীগী পোলাংখোক্ তোঙান্‌বিরোলাউ।

ট্রেনিং

নুপীবু চাক্ থোংহন্ব য়াদবরা?
নঙন চাক্ থোংদুন লৈরে
নুপা নুপী ওন্নরে
নখোয়গী ইমুঙসে মওং অম তৌরে
তোঙান্ চাবদগী নুংঙাইরে
মোন্তেক্ মোন্দুগুম্ নোয়রে নঙ্গী নুপীসে
ঈচা মাঙলে! ঈচা মাঙলে!
ঐগী ঈচা ঈমৌগী ওইখ্রে,
মমান মমৌ লৈত্রিঙৈদ চৈবনি হায়দুন চৈ
মচানুপাগীদমক্ মপুক্লীং ব্রাজৈ।

উদে মনেম্বোক্তি
মমৌ থোঙজিন্দ লেপ্তুন লৈ হায়ব
মরোই খুদাপ্ অম পায়রগ,
নোক্ফেৎ তৌই মমৌ নুপী
মরম্ খঙঙি মনেম্বোক্ত মচাদ চৈবগী
মনেম্বোক্ত হায়জৈ:
চাক্ থোংগে হায়জবনি কয়ারক্ ঐন
য়াবীদবনি অমুক্তসু মান
বামোন্ ওইন পোক্লবদি
খাবৈ চেগপ্ পায়ব তম্‌গদবনি
ঈশ্বরগী সেবা তৌগদবনি
চাক্ থোংব হৈগদবনি
ট্রেনিং হৌরিবনি হায় ইমুঙগী চাক্খুম্‌দগী।

খঙদ্রেদা হায়রল্লগ মনেম্বোক্তু থোক্খি
অদুবু নোক্ফেৎতি তৌখি।

অচম্ব নত্তব ঈসৈ

মমা নঙ্বু লাউনে
ঐগী ইনাক্ত ফম্লোনে
ব্বারী অম সাসিনে,
হন্দক্ মবক্ ঈচানুপাসি
ঈসৈ তোয়ন ঙংঙি
তাদবরা নঙ্দি?

মপুরোইবগী ব্বারী মতাদুদ
য়ুম্বুরেম্বীদুন নোক্মি নোক্মি তৌন খুম্মী:
মখোয় পাবুঙবু মিংসেল্ য়েংবিদব্রা?
মায়দ লৈয়ি চিংলিবদু উবিদব্রা?
য়ুম্ পান্মিন্নরক্পসি ঈবান্নি
চহি কুন্দি হেল্লম্লগনি,
নুপীদু খোঞ্জেল্ তপ্থরক্ই
মপুরোইবগী মনাকোংদ নক্সিল্লগ হায় :
নোংমাইজিং নুমীৎ অমদ লাক্লম্বী
ঈচানুপাগ উনখিবী
য়ূম্লে কৈরৈ য়েংলম্বী লৈসাবীদু
ওইরম্গদ্রা মখোয়গী গার্ল ফ্রেন্দ হায়বদু!
পাখঙ্ ফাগনু য়াব নত্তে মখোয় পাবুঙ্
হনুরক্লিবসিদি ঐখোয়সু।

মপুরোইবদুন তাপ্ ওক্ই:
অদুদি অচম্ব নত্তেদনা ঈচাগী ঈসৈদি!
মতৈ মনাও নোকমিন্নবদ
নুপীদু মমীৎ লাওথোক্লগ মরৈ তিংথোক্ই।

য়াওরম্দব

লৈ সাৎপ য়েংলুসি চান্নবী!
চীংয়া তম্য়াদসু কোয়রুসি ঙসিদি,
নুংসিবী নঙ্গ লোয়নবদ
কয়াদ নুংঙাইজরব ঐন!
গারী ইঞ্জিল্ মখোল্সিদ
ৱারী সাব নুংঙাইতে ঐদী
নক্সিল্লক্উ চান্নবী!
ৱা হৌন ঙাঙ্বদ ঐন
লম্বী চৎপ কয়ান য়েংলিবসি ঈবান্নিদ
নোক্পসু য়াওরি করি নত্তবদ।
তারিৱ্রা চান্নবী!
য়ৌরুসি হায়নব মফম্দুদ চৎপদ ঐখোয়ন
নুংসীৎ ময়রম্ থোক্ই গারী থৌরিবসিগ
লোক্ থুংব য়াদে ফৃহন্গনু মায়থোঙ্দ নুংসীৎ
ফিজী ফিনা পাইহন্গনু য়েৎসিন্খিগনি চাকাদ।

ঐগী থৱায়গী চান্নবী!
রেষ্টুরেন্তদ চঙ্খিসিরা হায়ববু
করি খন্বগে নহাক্পু
কোফি থক্প ওইন ঙাইহাক্সু?
হক্চাং ঙম্দবরা কৈদৌরবগে
তুম্মীন্ন অদুম্ লৈরিবদুবু?

হাইমা! ঐগী গারী মচাগী মনীংসিদি হাঙ্লেদনা!
ঐগী চান্নবীন গারীদ তোংখৎত্রিবৈঙদ
গারী থৌবন হাল্লেদনা ঐন!!

ওন্ন তৈনব

লাইরিক্ পাসিন্নরম্ব উলেল্
ব্রাখল্ খল্লম্বদগী ব্রা ঙাঙ্‌থোরক্‌ই:
চহি অম থা তরানিথোইন সাই
মপোক্ থা মান্নদব ঈমান্নব তরানিথোই সুরে
হৌজিক্তি,
বার্থ দে লৈরে থা খুদীং
চাব য়ারে অহাওব য়েন্সাং
কেক্ কক্‌পগী তঙাইফদব লৈতে
চে কলম্ মৃক্ পীব চৎনদে
অঙাঙ্গী মতৌ তম্নদে,
'য়াআ য়াআ য়াআ বার্থ দে রোতেসন'
হরাওদুন চোংখৎলগ লাউই
তেবল্দ খূত্তুম্ন সুরগ উলেল্।

মচা লাইরিক্ পাব ব্রারম্লগনি
সঙ্গোম্ লোন্‌বীরুগে খঞ্জরম্বী মমাদু
লংচাক্ চাক্‌প লেপ্পী
মচাগী লাইরিক্ খূৎপাদ ঙক্‌ই
মখোয়দৌ সাউগৎলদুন চৈরক্‌ই:
ঈচাদি লাইরিক্ হৈগদৌরি
নমান্নব তিন্নবদ মপোক্ থা হংবদি
বার্থ দেগী ওইরেকো নহাক্তি,
মমান মকু হুরগ মচানবু নুংঙাইরবদি
মমাগীসু মচা পোক্‌পগী অপেন্‌বনি
কনাগীদনো চৎলুরো হৌজিক্তগী বার্থ দে
থবক্ তৌরোই ঈমা ফম্‌দুন লৈগে
লাইন চাক্ থাদরক্‌প্ন্না য়েংগে।

ধূপ্

ঈশ্বর হায়ববু করিনো?
ধর্ম্ম হায়বন কদায়নো?
অচুম্ব ঙাঙ্উ
অফব তৌ
ফজব খঙ্উ
মসিদ লৈরে ঈশ্বর হায়বদু
মসিদ লৈরে ধর্ম্ম হায়বদু
তোয়ন হায়গল্লি মসিগুম্বসি উলেল্দু ।

মমা সিবদ মপা সিবদ
চৎনবীন পুন্ব পাম্দে
ঈপান্ থাব, চউম্ব, লাইমিং লৌব,
মচাগী কর্ম্মনি হায়ব অম পাঙ্থোক্তে
ধর্ম্ম অমত্তবু থাজদে।

নীংথি নুংঙাইন হায়নদে উলেল্বু
নাস্তিক্ কৌবী থায়নগী অহন্ন মাবু
মিহুন্ অমনি হায়বী কনান মাবু
অদুবু অদুম্ লৈ
অঙ্কাগী অঙ্কানি উলেল্দি
ৱারৌব হৈতব থম্মোইনি।

কুইদে ঙাঙনরক্ই
হন্দক্সি উলেল্ মওং অম তৌরে
অগরবত্তী ধূপ্ চবুন্ চবুন্ পায়ব উরে
মাবু খঙ্বসিংদি ঙক্চানৈ
ধূপ্তুবু করি তৌনবগী ওইরম্গদগে!
ৱারী সানব য়াওনরক্ই:

ঈশ্বর থাজদব ধর্ম্ম য়াদব মহাক্তুবু

লাই খুরুম্নবরা?
সুমাঙ্দ মাংগোল্দ তুলশীবুঙ্দ
লাইনিংথৌদ লৈমরেল্দ নত্ত্রগ মন্দীরদ?

মীগী মচীন্ কনান মেল্লুগনি
তুম্মীন্ তুম্মীন্ন ঙাঙ্নরক্ই:
উলেল্ ধূপ্ য়োন্বী নুপী কোয়রে
ধূপ্ মনম্দ লাইচুরে ।

অঙ্ক

মহৌসাগ মান্নদ্রে উলেল্
নহা অমদসু কৌগনি
ঈবুংঙো ঐবু খঙ্দ্রব্রা উলেল্নিনে
অহল্ অমদসু কৌগনি
ঈপল্ ঐবু খঙ্বীদ্রব্রা উলেল্নিনে
কৌব মতাঙ্ চাদবদন মঙক্ ঈন্গনি।

করিগুম্ব অম থোক্লব
অসিবগীবু ওইরো
অনাবগীবু ওইরো
নুপী চেন্বগীবু ওইরো
অঙাঙ্ খৎনবদ হাক্কন্ চঙ্বগীবু ওইরো
নিঙোল্গ মৌগ চীন্দা পৌদান্নবগীবু ওইরো
উলেল্ন মফমদুদ চঙ্লুগনি
করি করম্ তৌব হংলুগনি,
খঙ্হন্নিংদব উহন্নিংদব তাহন্নিংদব য়াওই উলেল্সি।

চা থক্লিঙৈদ উলেল্ন হোটেল্দ
হনুববু ওইরো হনুবীবু ওইরো চঙ্লক্লব
উলেল্ন চাগী সেল্ পুথোক্কনি,
অহল্ কয়ান হায়নৈ উলেল্ ধর্ম্ম লৈ
নহাগী ব্রাহৈগ ওন্নে উলেল্ বেরা লৈ।

মসিদ নত্তে উলেল্দি
অহল্ লমন্ন ব্রারী লাইরিক্ তাবদ
মখোঙ্ মখূৎ তিংথোক্কুন খুরুম্গনি,
ঈপান্ থাবদ চউম্বদ মনা হূৎপদ লাইমিং লৌবদ
লৌখৎপদ নৎত্রগ য়ূম্ সঙ্গাবদ
সেল্ থাব য়াবরা হংগনি

লুহোংবগুম্বদ শ্রার্দ্ধগুম্বদ
উলেল্‌ন চঙ্‌লুব খুদীংদ
সেল্‌ থাদব য়াওরোই
অদুবু মাগুব ময়ায়দ ঙাইহাক্তি লেপ্‌কনি
য়ৃম্নুন মাবু উরিদরা য়েংগনি।

নোংম মমান্নব অমন হায়:
দেব কর্ম্মদ চীখদে ঈতাওদি,
উলেল্‌ন ঈরায় লায়ন খুম্‌দোরক্‌ই:
ঈচা চাউসিল্লক্লে ঈতাও।

পাম্জখ্রব

থৌরম্ লোইসিল্লম্দাই যৌরদুন
থাগৎ ব্রাহৈ পীননব কৌসিল্লি
অসীন্ অরাঙ্ মাযকৈদগী উলেল্বু।

মকোইনে মসম্নে ফিজেৎনে কুচুনে,
নোক্ফেৎ নোক্ফেৎ মঙক্সম্গী তাইদ নাল্লদুন
চীং লেম্ব মতৌ উৎলক্ই উলেল্,
অদুবু মাবু উবদ
ভাবোক্ মচীল্ খুম্ব য়াওই।

মথঙ্ মথঙ্ থাগৎ ব্রাহৈ পীব লোইরদুন
মাগী হান্নগী ফম্ফম্দ চঙ্সিন্খি উলেল্
থৌরম্ মপুন থৌবম্ লোইসিল্লে হায়গে তৌরক্পদ
অমুক্ত ঙাইবীখো অমুক্ত ঙাইবীখো লাউরদুন
ফিংন হৌগৎলগ মখূৎ থাংগৎলক্ই,
সভাদু পূম্ঙক্ ঙক্ই
করি ওইবিগব খন্ন উলেল্দ য়েংই।

মাইক্রোফোন্দ খুদোন্থীন তেক্ তেক্ কাপ্লদুন
অহম্ অহা খৌদেম্লদুন ফিভম্ সেল্লগ
সোরো সোরো চিংন উম্সাইনন ব্রা ঙাঙ্লক্ই:
হায়গে নীংব ব্রাহৈ খর ব্রাৎচখিবদগী
কাখৎচরক্পনি অমুক্ হন্ন
অসীন্ অরাঙ্গী মহুৎপু সিঞ্জরদুন ঐহাক্ন
থাগৎ ব্রাহৈ পীবগী লোইসিল্লক্পবু ওইন
‘থেঙ্ক ইউ ওল্’,
নোক্প অমদি খূবাক্ মখোল্লক্ত
হুইসেল্ খোংজিল্লক্পসু কয়ানি।

সোৎপ

চুরো চুরো নোং চুরো
চুনিংবমখৈ নোং নঙ্ চুরো
লৈরক্ থূম্‌গে থূম্‌জৌ
ফম্নাইব থবক্ চিন্‌গে চিঞ্জৌ
নোংজু ঈসৈদ ঐদী নুংঙাই
চুরো চুরো নোং চুরো,
উলেল্ লাউবদ নত্তে
চেন সাব হি চুরিদ তাউহল্লি।

উলেল্‌গী মনাক্ত চঙ্‌সিল্লগ মাগী নুপীন :
মোয় পাবুঙ্! মোয় পাবুঙ্! তৌবীরিবদুবু করিনো?
অঙাঙ্‌মচা ওন্‌বীগদৌরব্রা করিনো?
হৌগৎলো ৱা তানসি,
নোংজু মতাসি ঈসিং চাউগদৌরি
চেঙ্ খর ৱাল্‌হৌসি
হৱাই চেঙ্‌ৱাই লৈহৌসি
থাউ থুম্ থম্‌হৌসি
চফ্সু সৌগদৌরে চেঙ্ সূজিল্লুরে
অঙাঙ্‌সু মবূক্ লাম্বদগী কপ্লে
মোয় পাবুঙ্‌ন চৎপীরুরো
সে সেল্‌সি পুবীরো
সীন্‌ব য়াব করিনো সীন্‌বীরো।

উলেল্ মোমোন্ নোক্‌ই
মাগী নুপীদগী সেল্ লৌসিল্লি
তপ্লপ্লবু হায়ব হৌরক্‌ই:
সোৎচিল্লুরবনি ঙসাইন পোৎ খরদি,
ফরেদা সেল্ লৈতে ৱারুবদি
মরেঙ্ মরেঙ্ চৎলে খনাউসি খল্লুবদি

তলব ফংগদব মতম্‌সু ৱাৎলী
সোৎপ য়াব পোৎ খরগবু সোৎচিল্লুখিগে
দুকান্দগী সোৎপ পোৎকী সেন্দোই কাদে,
উলেল্‌ন হুই খোংদুন থোক্‌খিবদ
মাগী নুপীন সোল্‌হৌই:
ঙাওরবসু লৌসিংদি লৈ ঐগী নুপাসি।

ব্রাকোই সূব

সৈরেংগী তাইবংদ ঙসিগী মীরোন্ন ঐবু
কনা লৈরম্‌গদগে খঙ্‌দববু!
ঐন য়াওজব থৌরম্ খুদীং
করিনো অমদি পাম্‌জে নীংসিংদুন লৈনব
ব্রাখল্ অদুদগীনি
ঐন কেমেরা পুজবিব
ফোটো কাপ্প হৌজরিব,
ঈসাগী ফোটো লৌজনবগীনি
মী অম লোয়নজবিবসি।

চগুঙ্‌নন থেৎলি
মল্লব ঐগী খাংপোক্‌সঙ্গী ফল্লংদ
সাহিত্যগী থৌরম্‌দ লৌহৌব ফোটো,
মরম্ হায়ববু
ব্রাখল্ মান্নব মরূপ্ মপাঙ্‌দ
সাহিত্য পান্বিব মীপূম্ খুদীংদ
সাহিত্যগী মপাউ তম্‌জনীংঙি
সমাজগী মিংসেন্নি হায়ব খঙ্‌হঞ্জনীংঙি।

করি তৌববগে কেমেরাদুবু
ফোটো কাপ্পক্কদরা ঙাইবদ ঐন
ব্রা ঙাঙ্‌দুন লৈরে লোইসিন্‌ব য়ারবসু,
কেমেরা পায়ব মীওইদু
খোঞ্জেল্ তনিক্ তনিক্‌ই
পাখৎপ অম য়াওন হায়জরক্‌ই:
সেম্‌দ্রবদি য়ারোইদৌরে কেমেরা।

য়ু ঙাওব লম্বোইব

য়ুদ লাইচুরব ঐগী অসিব হক্চাংদ
লৈঙাং মচুগী ফিন কৃপ্সিন্বীরে
লম্বোইবীরে ঐবু
মাল্হন্বীরে লাইনীংববু ।
চাক্খাউ সোক্তুন ফিরাক্ য়াদদুন
নাপু কাবিগী লায়নান পৎলব ঐঙোন্দ
কাবক্ কাবক্ মিহুন্ লৈরিঙৈ
সোন্খিদে নোংমতসু ঐন
তেংবান্ববু সেম্বীব মপু মাগী মিংলেল্,
অদুবু ঙসিদি সিরবনিন ঐদী
না তাদ্রে মীৎ উদ্রে থব্রাই য়াওদ্রে
উতুপ্ তাবগুম্ তাদুন লৈরে,
কদায়দনো মতম্সিদবু
কনাগী পিরাংনো উগদব
কনাগী মীনোক্লো তাগদব।
থাজব ঙম্দন ঈসামক্ সে
তাইবং কুম্হে য়াওহন্বীরে
পুক্লীংগী অপাম্ব করি লৈব খঙ্বীদন
সিরবনি করিসু তৌরোই খন্বীদুন
ঐবু ফিজেৎ ওন্বীরে ।
অসিবনিন ঐদী
ঙম্দ্রবসু ব্রাকৎপ কনা অমদ
ব্রাখল্ অম খল্লক্ই
মসিমদি হংনিংলক্ই:
য়ুবু পাম্জব ঐন
সিব মতাম্দ হয়েং
লম্বোইবীয়ু হায়রম্মী হায়বসিবু
থাজবীগদগে কনান?

মরী

(পুনিংশা ইশিজ্ঞাবেম)

ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে
ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে
উদবরা ঈমা নঙ্বু
অসুক্ নক্ক লৈরিবসিবু?
কপ্লগ লাউবগ মচান মমাদ হায়জৈ
অদুবু করি অমত্ত তাদ্রবসু
মমান মচা থিব লেপ্তে।

অমুকসু হায়জৈ
মখূৎ তিংথোক্তুন মমাবু থৎলগ:
ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে
ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে
অদুবু মচাগী মসক্ উদ্রবসু
মমান মচা থিব লেপ্তে।

মচাবু কৌই:
কদায়দনো ঈমাগী ঈবেন্ম নঙ্বু!
কদায়দনো ঈমাগী ঈবেন্ম নঙ্বু!
খুন্নক্কদরা খন্ন মনাকোং থাংগৎলগ তায়
অদুবু পূম্চীক্ চীক্লবসু
মমান মচা থিব লেপ্তে।

মচান খুম্মী:
ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে
ঈমা ঐ মসিদ লৈয়ে,
ফ্রঙ্ ফ্রঙ্ চোংন মচান কপ্পী
অদুবু পুক্সি লশ্বীদ মমা মচা থৈনদুনসু
মমান মচা থিব লেপ্তে।

মায়কৈ খুদীং য়েংন য়েংন
ঈমাগী ঈবেন্ম! ঈমাগী ঈবেন্ম! কৌন কৌন
মমান মচা থিন থিন চৎলিঙৈ
সয়েং পান্থোম্ চোংঙি খন্জানরিঙৈ
অসিব ওইন মচাদি থুংলরে ।

সিয়োম্নুংদগী

নোংদম্বন নুমীৎ থারে
ঈমাগী সিয়োম্নুংদগী তাইবংপান্দ ঐবু
চত্তব য়ারোই হায়রে,
চংপদি চংনীংদবনি ঐদী
অদুবু ঈমা!
তঙাই ফদবনি হায়ন লৌরে।

খঙ্ঙি ঐন
পলেম্গী পিবুক্নুংদ থা তরা লৈবদ
অপান্নন নাকোংন তাদে হায়বতনি
তায় ঐন ঈমা
অইঙ্ব লৈতব তাইবংপানব্গী ম্বা,
অপান্নন মীৎন উদে হায়বতনি
উই ঐন ঈমা
ঈখেং তাব থৌদোক্ ম্বাথোক্ কয়া অম ।

সক্উদব অমন কৌরক্লে ঐবু
খুম্দব য়ারোইদৌরে ঈমা,
সক্খঙ্দব অমন খূৎ খৎলক্লে ঐবু
চত্তব য়ারোইদৌরে ঈমা।

পুক্লীংদ হংনিংলে
পোক্লফম্ লম্দম্ করম্ তৌরি ঈমা?
লোই লম্গী লৈঙাক্লোন্ন সুদৎলিবরা ?
খোঙ্ঙুপ্ বুট্কী মখোল্ তায় ঈমা
খুন্নাইসিগী মীওই মনীং তম্দবরা ?
মিহুন্ খোঙ্জেল্ চাং কায় ঈমা
অকি তুজুংবন থন্বরা ?

হৌজিক্তি ঈমা!
ঈ মতুম্ ওইরিঙৈন ওইরিঙৈনি
মীগী মিতম্ মপুঙ্ ফারব মতম্সিদদি
ব্রাখল্ লাক্লে ঈমা!
মীওইবগী মপোক্ করিনো খঙ্নিংলে
পলেম্গী নাউপুবগী লমল্ সিংনিংলে ।

অমুক্ হীপ্থব

ঐবু হৌদোক্লগী ঈবোক্তুবু করি তৌরবনো
মপান্ থোরক্লগ ইমুঙ্দ হেক্ক চঙ্খি
অদুগ ফমুংদ অমুক্ হেক্ক হীপ্খী,
য়েংবদদি মসূনুপীদু লাইবিক্ পাব মাল্লি
অদুবু মপুক্লীং চঙ্দে
মবোক্কী মরম্দ খল্লী
ঐখোয়গী ঈবোক্ করিনো অম তৌরে
হন্দক্ থোরক্পদদি ব্রাবী হৌজিন্গে,
মীৎকুপ্ নাহুম্ সিংন লৈ
ফল্লপ্ ফল্লপ্সু য়েংঙি।

মবোক্তু থোরক্ই
যাহৌরক্পগী লাই খুরুম্মী
মতাঙ্ চারবদুদ মসূনুপীন হংঙি:
কৈদৌরবনো ঈবোক্ ঙসিদি
য়াম্ন হৈনিংদন উবদি?
মনা পঙ্বী মবোক্ ওইখি
মসূনুপীগী ব্রা তাবীদে
হন্নফাওব য়েংবীরম্দে।

মসূনুপীদু খূদোম্বী সীংঙি
তপ্ন হৌগৎলগ চৎলী
লাপ্তুক্ লাপ্তুক্ মবোক্পু সেন্নৈ
করিগুম্বদন খূনীং কাঙ্খৎলগ ইন্নৈ,
চাক্খুমাঙ্দবু লেপ্তুন মবোক্তু
ব্রাবু ঙাঙ্জৈ মথন্নত:
চেঙ্হী যাদ্রব্রনে ঈমৌদুবু?
মবোক্তু মপান্দ থোক্খ্রে
ঈরুজরুবদগী কারক্লে

চন্দল্ থিল্লে

মফি হোংলে

লাই খুরুম্লে

লাইবিক্ পারিবী মসৃনুপীদ থৌদারক্ই:

ঈবেম্ম নমাদু লৈব্র য়েংঙু

অদুগনে চা লোন্বরা হংঙু -

হোয়সু হাযদে মাইসু খুম্দে মসৃনুপীদু

চাগদৌবগুম্ মবোক্পু য়েংন য়েংন

মপুক্লী তিংবমখৈ নোক্ল নোক্ল

মখৃৎন সারৈ কোল্লগ লাউরক্ই:

হো! লৈকায়! লৈকায়!

ঈবোক্ মরোল্ থোক্লে!

মাইব্ মাইবীন য়েংদ্রবসু য়ারে!

খোঞ্জেল্ অমুক্ তপ্থরক্ই:

চা লোনব্রা হংলুগে ঈমাদ

ঈীপ্প চঙ্লুরনু ঙসাইদৌন ফমুঙ্দ

ঙসি মৌণিনিকো ঈবোক!

পাখৎলুব

ঈবোক্ তোম্বী
মমৌ নুপীগী মরম্দ ব্রাখল্ খল্লী:
ঐগী ঈমৌ নুপীসি
ফনেক্ সেৎপ হৈতে
চৎপদ মখোঙ্ চাউকান্ চাউকান্ থাংঙি
দঙ্ দঙ্ লৈমায়দ মখোল্ থোক্ই
সহুম্ নাইগ্রে
লক্ষ্মী চঙ্লরোই ইমুঙ্সি।

ঈবোক্ তোম্বী নিংসা ফৃইন হোল্লি
সাউনীংন লৈরিঙে
খোঙ্গ্রাউ উপ্লী খর উরক্ই কোম্থোঙ্দ ,
কনা কনানো য়েংন য়েংন
ঈশ্বর নীংসিংঙি মপুক্লীংদ
'চৎখোক্লন্নবদি ফখ্রগনিদা ঈচাদু'!

চঙ্লক্লিবীসিং নক্সিল্লক্ই
লক্লববু হৌরক্ই:
তুলশীবুঙ্দ ব্রাইবু তৈরিবী
খোইনৌ ঈতা চান্নবী!
নযুম্ মোংব নরান্য়াইদ লাক্চরি
অনৌব যুম্বান্গী ব্রারীবু তাজনীংঙি
কোক্ খুম্ববু পক্চৈনে
মৌ অনৌবীবু মাল্লেনে ।
ঈবোক্ তোম্বী নে হেক্ তাই
মমৌ নুপীগী মমান্নবীসিংনি ভাব তাই
অদুবু মথবাক্তি য়ৈ
মখোয়সিংসি নুপীনিকো মথন্ত হায়জৈ ।

নুংসিবীবদগী

সুলোচানাগী মিংচৎ হেন্‌গৎলক্‌পদগী
মাগী মপুরোইব উলেল্‌ থবক্‌ চিন্‌খৎলক্‌ই
য়ূম্লোন্‌ কৈরোন্নবনদি ঙাঙ্‌নৈ:
নুপা নুপীওন্নরব ইমুঙ্‌নি
নুপাসি আধা মবা ওইরবনি।

অঙাঙ্‌ ওইরিঙৈদগী মরম্‌ ওক্‌প উলেল্‌
পূমহোং হোংলে য়ূম্‌ পান্‌ব মতূংদগী উলেল্‌
চাক্‌ থোংলে উলেল্‌
য়েন্‌সাং সেম্লে উলেল্‌
কোল্‌ লীক্‌ ফেঙ্‌লে উলেল্‌
ইমুঙ্‌ মাঙ্গোল্‌ ব্রাই তৈরে উলেল্‌
ফৌরম্ব ফি লৌসিল্লে উলেল্‌ ,
মাগী চান্নবীগী ফি সূরম্‌গদরা
খঙ্‌দে উদ্রিবনিনা মদুমদি হায়ব,
য়েংবদ কুম্‌হৈগুম্‌ নুংঙাইরিবদি
মাগী নুপীন থবক্‌ ইন্‌খাঙ্‌ চখোক্‌খ্রিঙৈদ
নাহোংন পোব অঙাঙ্‌ সেগা ওম্বরগ
সঙ্গোম্‌ ইন্‌বীবদুনি হেক্‌ হেক্‌।

থিবদ ব্রাদনব মীন
কোম্থোংদ ইরগ থেৎলি অইবী সুলোচানাগী মিং
চীখদে মপুরোইবগীসু মিং।

নুমীৎ খুদীংগী লাক্‌ই হায়ব য়াই বার্ত্তণ
মরম্‌ অমগী নৎত্রগ মরম্‌ অমগী
লাইরিক্‌ ফোঙ্‌বগী সেমিনারগী সিম্পোসিয়ম্‌গী কবি সম্মেলন্‌গী।

জীপ্ কার মারুটি ভান্
অয়ুক্ নুংথিল্ নুমিদাং মতম্ নাইদে
তত্তন লৌব লাক্ই সুলোচানা
তত্তন থিন্নব লাক্ই সুলোচানা
গারী মখোল্ তাদব নুমীৎ নোংমত য়াওদে।

চাগনি থক্কনি কাউব য়াওই করিগুম্বদ উলেল্
মাগী নুপীন টি:ভি:দ থোরক্প য়েংবদ
কনান করি ঙাঙ্নব
নাদ হাপ্কে খন্দে
মীবা ঙাঙ্নবসি মথৌ সৃনীংদবগী হৈনবীনি
মমিং লৈবী নুপীগী নুপানবু সাউগদ্রা খন্দোক্ই।

চানন কপ্পী নোংমদি উলেল্
মাগী নুপীগী ব্রাহে তাবদ:
কবি রত্নগী মিংথোল্ ফংজরিবসি
ওইফম্ থোক্তে খঙ্জে ঈথক্তগী মহৈসি
ইনীং তম্ন খোর্জে পায়হন্বগী ঐবু
কোয়সিন্ব লৈইদ থম্বিদবগী ঐবু
ব্রাখল্গী আতিয়াদ পাইব ঙম্হন্বগী ঐবু
সিন্নব তাবনি ঐগী ঈপুরোইবদ
কবি রত্নগী গোল্ড মেদল্।

খবরদ থেংনবদগী

করি তৌরবগে নোক্লিবদুবু
খবরদ মুন্ন য়েংলগ?
অনীরক্ অহূম্নক্ হংবদ হঞ্জিন্ হঞ্জিন্
খুম্‌দন লৈবদুদ মপুরোইবন
নুপীদু নুংসা থীজৈ
মপুরোইবগী মতৌদ পাখৎচৈ
থাসি থানৌগী হৌব হায়বদুরা চিংনজে।

মোং হাদন করি অমত্ত হায়দন
নুপাদুন মাগী নুপীদ লান্সিল্লি
মান পারম্ব খবরদু
অদুগ খূদোম্বী থিল্লগ তাক্ই
খবরগী হেদিংদ য়াওরিবদু পাউ ,
'থাঙ্ থাবদ অনাব নুপী অম সিরে
দাক্তরগী মথক্ত মতীক্ চাব থবক্ লৌখৎলু
মখা তান থিজিন্ খোৎচিন্ব তৌ
মেদিকেল্ মিনিষ্টর মসান খঙ্ন ফম্ থাদোক্উ'।
খবর থম্মী
নুপীদুন ফিংন হংঙি:
হায়রিবসিবু করিনো হায়বনি
দাক্তরন অনাবদ থাঙ্ থাবদ
য়াওবিরুরবরা মেদিকেল্ মন্ত্রীনি হায়দুন?
খুন্মু হায়ব করিগীনো তুম্মীন্ন লৈবীরিবদুবু?
করম্নোনে তৌগদৌরিবসি ঐবু!
ভোটতা সেল্ কোক্থোং অম চঙ্খ্রগ হৌজিক্পু!
তোক্প তারবরা মন্ত্রী ওইব ঐগী নুপাসিবু!
মন্ত্রীগী নুপী কপ্লি কপ্লি তৌরক্ই
মপুক্লীং নুংসিবদ মপি ঈরা চেল্লক্ই।

পাক্ হেক্ খুম্‌দে
থৌ ব্রা সাদে
চা উম্‌সায় সায়রগ মন্ত্রীন পাউখুম্ পী:
পাখংখিগনু নঙবু ঙাইখো
তপ্‌থখো ব্রা হায়গে তাখো
ভোট কারগ ওইরক্‌প মন্ত্রীনি ঐসে
মেদিকেল্ তম্লক্‌প দাক্তরদি নত্তে ঐসে
থাঙ থাবদ দাক্তরন অনাবদ
কদায়দগী য়াওগদগে মন্ত্রীন
দাক্তরন ওপরেসন্ তৌবদ সিরগ মী
মেদিকেল্ মিনিষ্টর ফম্ থাদোক্‌উ হায়রি
ব্রাথোক্ ওইরিব হন্দক্তি থৌদোক্‌সি
মন্ত্রী অম ওইন য়েংসিল্লু হায়বন অমনি
নঙসু অদুম্ খঙলিবদুনি
অনাবগী ওপরেসন্দ লৈখিদবীদু ঐগীদি ঈম্মান্দৌনি
ঈপন্নদি মন্ত্রী ওইব তোক্‌উ হায়দ্রিবনি।

লৈ ওল্লবী

নোংমৈন নম্লগ
নুপী অমগী মথবাক্ত,
অকন্‌বনি মথন্ত হায়জব নুপা অমন
লৈ ওল্‌হল্লি নুপীদু
অদুগ নোংমৈ পায়ব নুপাদুন
খৌবোম্ থন্ন থক্‌ই লৈরাং লৈহী
লৈ ওল্লবীদুদগী।

হৌজিক্তি
তোল্লবীগী পুন্সিদু,
লৈকা চোইরবী উফুল্লক্ত খোঙ্গাওনববী লৈরাং ওইরে
অদুবু মথম্মোই মৈহুম্ন চূরবসু চূন
লৈকোল্ খুদীং চঙ্‌দুন লাউরক্‌ই নুপীদুন:
লৈ ওল্লবীনি ঐদী
লৈ ওল্লবীনি ঐদী
লৈ ওল্লবীনি ঐদী।

খংব

থাগৎ ব্রাহৈ পীবদ
চিফ্ গেষ্ট ওইরিব মন্ত্রীবু য়েংলগ
রিসেপ্সন্ কমিটিগী কন্ভেনরন হায়রক্ই:
সাহিত্যদ থব্রাই য়াওবীরম্গদ্রা খঞ্জদুন
চিফ গেষ্ট ওইহঞ্জখি মন্ত্রী অম
হৌখিব চহিগী সাহিত্যগী থৌরম্দ,
দান্ তৌবিরম্মী মন্ত্রীন লুপা লীসিং মণ্ডা
অদুবু ফংজদ্রি ঙসিফাওবদি সেল্ফম্দু
থাগৎচরি মসিগীদমক্তসু।

লৃক্থরম্ব মায়থোঙ্ হাইগৎলগ
চিফ গেষ্ট ওইরিব মন্ত্রীদু হৌগৎলক্ই
থাগৎ ব্রাহৈ পীরিব মীওইদুদ হংঙি:
হায়খিবরনে ঐবু হাকুম্
লুপা লীসিং মণ্ডা দান তৌরে!

থাগৎ ব্রাহৈ পীরিব কন্ভেনরদুদ
মীৎচি খৎচীল্লি সভাপতিন
তিল্লিব খ্বাইসু খুবাক্ খৃজিল্লক্ই।

ক্বা হাব

করি তৌসিগে হৌজিক্পু
কনাদ য়েংহন্সিগে মহাক্সিবু
নিংসা খাঙ্তপ্ত হোল্লে
সিবন হান্ব তারে,
মৌনাউ খরন ঙাঙ্নব ব্রাহৈনি
মখূৎ য়াওদন লাঙ্বনি।

মনেম্বোক্ চঙ্সিল্লক্ই
ঈসিং পী,
ঈমৌ ঈবেম্ম ঈসিং খজিক্তুং থক্উ
করিসু তৌরোই নুংসা থীগনু
থবাক্তু ফুন্ব ফবরা য়েংঙু।

মপি ঈরা চেন্ন
মমাদ পাখৎন য়েংজরম্বী মচাদু
কপ্লি কপ্লি তৌরক্ই,
ঈবোক্! ঈবোক্! ঈমান হায়রিব
ঈপুবোক্কী সোরাৎ লোইরে
ক্বা চাব য়ারে
অদো ঈমান ক্বা চাবদ হারিব
ঈবোক্ক চৈজনি হায়বনি ঐদী
তৌহৈদে হায়রিব ঈমান
ক্বা চাদ্রবদি ঙসি।

ক্বা হাব ফরবদুদ মী অয়াম্ব নোক্লক্লে
অদুবু মমৌ ঈবেম্মদুদি মায়কৈ অমদ য়েংঙি।

অফোৎপ খাউ

খাউগী মথক্ থংব মতাইদ চাউন থাই,
'সাহিত্য একাদমি,নই দিল্লি',
মসিগী খাউসি উলেল্‌ন পায়।
খাউ মনুংদ হাপ্পী
পেন্সিল্ অম,বোয় অম,ঈসিং বোটল্ অম,
পোলিথিন্ চেরং মচা অম
য়েন্সাং নাপী লৈবদ হাপ্লব নোংম ফাদোক্।

সাহিত্য একাদমি,নই দিল্লি থাব খাউদু
উলেল্‌ন কোয়পু পুই
সেমিনার সিম্পোসিয়ম্ নৈনব খুদীং
সাহিত্যগী থৌরম্ কবি সম্মেলন্ খুদীং,
খঙ্‌হন্নীংঙি খ্বাইদ
অচন্ব নত্তে খাউ পুরিব মীওইসি
কবি, ক্রিতিক্,স্কোলার অমদি ওইরম্‌গনি।

অউবসিংগী মীৎয়েং চিংসিন্নব
সেগ্রাক্ত খাউ য়েপ্পী
খাউদ থাব ময়েক্তু কৈদৌনুংদ খঞ্জিন্দে,
অচীক্‌পদ মদোম্ ঙায়রব মফম্ কয়াদ
মোন্দ্রঙ্‌দ খোইরুম্ মোমোন্ নোক্লগ নুংঙাইজৈ
য়েংলক্‌পসিংন মাবু মসক্ খঙ্‌বীরবনি হরাওজৈ।

সাহিত্য একাদমি থাব খাউদু মরেক্ কারে
খূৎনাং চাবদগী সেগায়রে
হঙ্গোইব পোক্লে
ফোৎপগী য়েত্তুম্ মখূন্নসু সৌ সারে
অদুবু উলেল্‌দি
কৈদৌনুংদ খাউ থাদোক্তে
মথানুংদ কোন্দুনবু থম্‌জৈ।

কাংসুবী

হূই ওল্লরোই ঈমা ঐদী
সংক্রান্তিগী কাংসুবী চারে ঈবোক্খোয়দগী,
মচীল্ কাথোক্তুন য়েংহল্লী
মরৈদ মকৃপ্ মকৃপ্ পক্প কাংসুবী মমাদ ।

মচান হরাওবদ মমাদু নোক্ফেৎ তৌই
অদুঙৈ লৈসারিঙৈ মমান্নবীসিং নীংসিংঙি
ঈবেতোম্বী থোইথোইবী সনাহন্বী
হূই ওন্দনব সংক্রান্তিগী কাংসুবী চামিন্নখিবী।

তুম্মীন্ন লৈরিবী মমাদ মচান হংঙি:
কাংসুবী চারব্রা ঈমা নঙ্বু?
মপাক্ অম লৈরি ঈমা ঐগীদি
মচেৎসিমন ঈমাগী
য়োম্দুন থল্লিবসিন পাবুঙ্গী
হূই ওন্দনব চাজহৌ ঈমা!
পাবুঙ্দসু হায়গে কাংসুবী চানব হোরেল্,
করিনো অম হংনীংঙি ঈমা ঐদী
ঈমান তাক্পীবদু তাজনীংঙি:
উখ্রুল্দগী ঈম্ফাল্দ লৈরব ত্রাইবেল্ জোসেফ,
ক্বাক্তাদগী হাতাদ লৈরব মুসলিম্ মতলিফ,
চারম্গদ্রা ইমান্নবসিংদুসু কাংসুবী?
ঐখোয় ক্লাস অমত্তদ তম্মিন্নবনি
ফাল্সু পূন্ন ফম্মিন্নবনি
কাংসুবী পুগে স্কুল্ চৎপদ ঈমা!
জোসেফ মতলিফ পীজগে মখোয়দসু ঈমা!
হূই ওন্দনব মখোয় !
মমান মচাদ মুন্ন য়েংঙি!

মবূক্ কংথোরক্পদ

উলেল্,
মেরা থা চঙ্লক্পদগী হৌরে
ব্রা য়াঙ্গীন্ব পয়া সিজিন্ব লী থম্জিন্ব
কনাগী থুম্মোক্ তাইরূক্ অহোব ফোংপী
মীগী য়াংকোক্ অতৎপ থিরগ সেম্বী
হঙ্গাম্ পাম্বাগী য়েন্দায়সু সাজিল্লী।
হিয়াঙ্গৈ পোইনু ফাইরেল্ লম্দা থান লাক্পদ
লুহোং খোংদোংব তোয়
নাহুৎ নারেং লুকুণ থাংনৈ
অসি অনা য়াওবসু থেংনৈ
মাগুব খন্বগী পয়া লৈরব কয়ানি।
উলেল্,
সংগাই থৌহল্লি
থাঙ্ ফেঙ্নব নুঙ্ তুম্বগীসু খল্লী,
থবক্ সূবগী ব্রাবদগী পোখানীংলক্ই
অঙাঙ্ কনা লৈবগে য়েংলক্ই
মসূন চঙ্সিল্লক্প উবদ থৌদাই
ঈদাক্ ঙাম্বক্ অমত্ত হাল্লুচো ঈবুংঙো!
অদুদি পুপু তেলঙ্গা সাবীগেরা?
চে পুরক্কে লৈ লংসু
পজেঙ্দি পয়াসিদগী সেম্বীয়ু,
পুপু ব্রা অম হায়গে
মীন পয়া লৈব য়াম্ন লাক্লে
থুম্মোক্সু সীৎলে য়েন্দায়সু লৌখ্রে
পুপু নঙ্ সেল্ পায়গদব মাল্লে
অব্রাংলোম্গী চাউবগী মপা দাক্তর
মখারোম্গী পীসক্কী মপা ইঞ্জিনিয়ার
মখোয় মবূক্ কংঙি
পুপুসু পূক্ কংলবনিন ঈনাক্ খুল্লগদ্রা?

চিংনহন্‌ব

অয়ুক্‌ ব্রার্কিং চৎলুব খরন ঙাঙ্‌নরক্‌ই
মমাঙ্‌ লৌবুক্ত মী অম সিহৌরে
মকোক্‌ পূম্‌তোই তোইরে
কনানো খঙ্‌বদ ব্রারে,
অসিবদু মখূৎ খূৎতূম্‌ তাসিল্লম্মী
করিনো অমসু পায়রম্মী
মদু করিনো য়েংনহৌই।

উলেল্‌ মসক্‌ খঙ্‌বসিংন ঙাঙ্‌নরক্‌ই
অসিবদু উলেল্‌ ওইরম্‌গনি
মরম্‌দি মসিম লৈ
উলেল্‌ন হায়গন্‌ব ব্রাফম্‌ অম হৌদোক্লে
'মরৈপাক্‌ নীংব মীনিন ঐদী
মতম্‌ খুদীং লৈপাক্‌ পায়রিবনি',
অসিবন পায়বদু লৈতূম্‌ ওইরম্‌গনি
অদু ওইরবদি সিরিবদু উলেল্‌ সোয়দ্রবনি
উলেল্‌ সিরে উলেল্‌ সিরে
লৈকায় ব্রা ব্রা লাউনৈ।

পাউজেল্‌ চেদ ইনরক্‌ই
নহা অম লৌবূক্ত সিদুন লৈরম্লে,
মীনদি হায়নৈ উলেল্‌ অঙাওবনি মহাক্তু
অদুবু খূৎলাই অমদি তারম্মী হায় মনাক্ত।

মান্ব

উলেল্,
রাধা কৃষ্ণগী নাম্ তাব য়াদে
যুগল্ রুপ্কী ৱারী লীব য়াদে
কদম্ পাম্বীগী মরম্দ হায়ব য়াদে
যমুণা তুরেল্গী ঈথক্কী মরমদ্ পন্ব য়াদে
রাধা কৃষ্ণগী প্রেম রসন
থল্লী মথম্মোই।

উলেল্ ,
ভাবন ফৈ
সাধুদ সাধুনি বৈষ্ণবত বৈষ্ণবনি
লাইবক্কী চন্দল্ অমদি উরীক্ লুকুন্
লাই নীংবনি উৎলী।
উলেল্ ,
ধর্ম্ম কর্ম্ম কয়াদ বার্ত্তণ চীথদে
শ্রার্দ্ধগী তেংথাব খোঞ্জেল্দ পি নৌই
ঈসৈ সক্পন ঈসৈ হীক্থবদ কল্লী
সংকৃর্ত্তণ ময়ায়দ তোয়ন খুরুম্ব চঙ্গল্লী
রসত য়াম্ন ঙাওগল্লী,
অদুবু অসুম্ন হায়নব তায় উলেল্দু
হৈখা মাল্হে চৃম্ব্রে লৈকায়দ হৌব
ঙানু খুনু য়েন্ মীগীদ লোইব
হূদব য়াওরক্তে মান
সন্নিংহন্বদসু ফাওরক্ই
নহা ওইরিঙৈ লম্হেন্ তুহেন্ হৌরক্ই।
‘অ’ মসক্ খণ্ডলক্তে
সংস্কৃত বাঙ্গালী লোল্ তন্নক্তে
মমালোল্দ ৱারী সাবফাওব মথং চৎলী
অদুবু য়েংবদ উলেল্দু মতৌ অমদি লৈ।

সভাদ

মীখল্ মতুঙ্গী
মীয়াম্গী মীহূৎন সেম্ব সরকার ফগদৌবি
ফম্ পায়নবত ঙাইরি
চাওখৎ থৌরাংগী থবক্কী পরীং য়াৎলে
মাগী মাগী কেন্দ্রগী মীনসু
ওক্প হৌরে মায পাক্লব মীহুৎপু।

অনৌব সরকারন থিরক্ই
হান্নগী সরকারন
করি করিনো পায়খৎলম্দব থবক্ল?
কদায় কদায়দনো যাত্রা হুল্লম্ব মফম্ল?
থবক্ তৌরম্দবসিং যাত্রা লৌথোক্লে
অনৌব যাত্রান অরীব যাত্রাগী মহুৎ সিল্লে
অনৌব সরকারগী
অনৌব মন্ত্রীগী মমিং থাবে।

যাত্রা হুন্বগী থৌরম্দ মন্ত্রীন হায়:
সাদন যাত্রা হুল্লগ থম্বসি পাম্জদে
মীহুৎ ওইন ভোট কারবদি মীয়াম্গী
পাঙ্থোক্লম্ব তাবনি করিগুম্ব খরদি
ফজব ব্রাহৈগী খূবাক্ অমখক্ খূরক্ই
মদুসু মন্ত্রীগ নক্লব লৈকায়গী মীনি
খোইরুম্ মোমোন্ নোক্ল মন্ত্রী ব্রা মখা সাংথৈ।

সভাপতি ওইবগী
সভাপতিগী ব্রারোল্ পীনব ঙাইন ঙাইন
খুরাইজম্গী অহল্ মীফম্গীন সভাপতি উলেল্
থোক্ থোক্ চিংবমখৈ উইদুন লৈ
মন্ত্রীন ব্রা ঙাঙ্লিঙৈ।

তুম্মীন্ তুম্মীন্ন নোক্প উবদ মীয়াম্ন
ব্না ঙাঙ্লিব মন্ত্রী
করি সোয়রবগে য়েংই মসাদ,
কৃম্হৈগুম্ নুংঙাইরব মতৌদুদ
তফিং তফিং প্রেসমেন্ অম চেন্সিল্লক্ই
ফোটো লৌই ,
উইরিব সভাপতি অমসুং ব্না ঙাঙ্লিব মন্ত্রী।

চৈনা

চাউবগী মপাগী ৱাখল্নি,
নুপীন ফনেক্ সেৎপ মসা খীংদে
মতম্সিগী নুপীদি
মায়কৈ কয়াগী নুংসীৎন য়ৈহন্‌গদবনি
হুম্দুন পুহন্‌খিবদি য়াদে ,
লৈরক্‌খি ৱাখল্সি মহৌসাদগী।

পুম্কক্ চাউরক্‌পদগী মচানুপী খোঙ্গ্রাও উপ্পী
সরীৎ সরাক্ নুপামচাসিংগ সান্নহল্লী
পাম্জমন্‌বদগী নুপাগী মমিং থোল্লি
চাউব হায়রগ খঙ্‌নরক্ই।

চাউব য়াম্ম সাউই
কনাগুম্বন হায়ব তাবদ,
নুপী খোঙ্গ্রাও উপ্‌হন্নীংদে
ফিজেত্ত মনীং তম্‌হন্নীংদে
মতৌ তম্বদ খুন্নাইসি মাঙ্‌খিগদৌরে।

চাউবন খুম্মী
খোঙ্গ্রাও উপ্পগী লক্লরক্‌পদ:
নুপাসু ফৈজোম্ সেৎলোদনা
য়োৎ খীংলিঙৈ মতম্দ হঞ্জিল্লোদনা
নুপীদত য়েংসিল্লদনা!
ধর্ম্মগী ওইব থৌদোক্ত
নুপী কনা খোঙ্গ্রাও উপ্পী
ফুরুপ্সিগী ইনাৎ নুপীন ঙাক্লিবনি।

চাউব অসুম্ চাউরক্কনু য়াদে
লৈসাবী মপুঙ্ ফারক্কনু য়াদে
খোঙ্গ্রাওদ উপ্পদুদ কনান নুংসি কাইহৌবীদে
নুপাগুম্ন লৈবদুদ কনান মমৌ ওইনীংলুদে ।

কুমওন্ কয়া হৌখি
চহি নীফু হেন্খি
চাউবগী মমাদু নুংসা থীরক্লে
মদোম্ পোক্চবী মচা নিঙোল্ থম্নীংলক্লে
থাজ য়োঞ্জব পান্নক্লে।
মমা মচা ৱারী সাই নোংম,
ঈবেম্ম ৱা অম ৱায়গে ঈমা:
সোঞ্জিল্লক্লে হৌজিক্তি ঐসু
অঙাঙ্ নৎত্রে খল্লু ৱাখল্ নঙ্সু
অতাবী অম খঙ্দ্রবদি নঙ্গী
সিব ঙম্লোইদৌরি নমা ঐদী
খঙ্‌ন চান্নব লৈ লাক্তব্রা নঙ্গী
করি খল্লী ঈমাগী ঈবেম্ম নঙ্দী?
তুম্মীন্ন লৈ চাউব
মমান পি সীম্থব য়েংন য়েংন
মখূৎন চিংলগ সান্নদুন লৈ খোঙ্গ্রাওদ।

সুর পান্‌ব

ঈসৈগী সুর পাল্লম্‌দাই কলাকারন হৌদোবক্‌ই:
ঈসৈগী সুর পান্‌বদ ৱাখল্‌ চোইব য়াদে
মসিগী মহৈসি অবাযব নত্তে
হারমিনিয়ম্‌ খোংই,
সা রে গ ম প ধ নি সা
সা নি ধ প ম গ রে সা,
ঈসৈগী সুর ঈসৈ ময়েক্ক চানব থিগনি
ঈসৈ ময়েক্ক করি হাযবিব থিগনি
য়ারিবমখৈ মীত্ত উগনি।
কলাকারদু হারমিনিয়মদ অমুক্‌ পায়
ঈসৈ ময়েক্ত অমুক্‌ পাই
ঈসৈ সক্লম্‌দাইগী হৌনবী
অহম্‌ অহা খৌদেম্‌ই
লোক্‌ য়াওব য়াওদব খোক্‌ খাক্‌ তৌই।
সুরদি পান্দন মতৌদ মাল্‌হন্‌বদুদ
ময়েক্তি যাওদন পঙংত ঙংবদুদ
সৈরেংবদু তিংলি যাংলীদুন মসাদু হাই হুম্‌ই
ফুরীৎ খুদাঙ্‌চোন্‌বী
অমুক্‌ থেক্কৎ অমুক্‌ থেক্‌থ সান্নে
করিগুম্বদন ঘরিগী সেকেণ্ড কাটনা চৎপ য়েংই
কলাকারদু হারমিনিয়ম্‌ খোংব লেপ্লগ
ৱারী সাব হৌরক্‌ই সৈরেংবদ:
ঈসৈ ময়েক্ক ফজরব ওজাবু
ফজব তাবনি মসান ঈসৈগী সুরসু,
মমীৎ চেজেৎ উইসিল্লগ কলাকাবদু
হারমিনিয়ম্‌ খোংদুন কৈদনো সুর থিরক্‌ই
সৈরেংবদু মথৱাই নুংঙাইরক্‌ই
মাগী ঈসৈ তানীংলক্‌ই।

ঈসৈগী রাগদ মপুন্নীং লৃপ্লব কালাকার
করম্ন উরিবনো খঙ্দে
ইংখোল্ মতোন্দ চঙ্ব সন্দ লাউই:
হৈনেহে ! হৈনেহে! চৎলুনে!
কনাগী সয়োনে মসি
সন্গোল্ থম্দব খুরাইজম্গী সন্ ওইরিনি,
করম্ন খনাউ খৌগংলক্পনো খঙ্দে
ইমুঙ্গী মীদ চা লোন্নব কৌই
হৌন হৌন ব্রা ঙাঙ্ই
খোঞ্জেল্ ফৈ হায়ব খঙ্হল্লি।

ঙসাইমখৈ হকাম্ চল্লম্ব
মথুল্ মরেং মরেং চৎলম্ব সৈরেংব উলেল্দু
ফম্ন ফম্ন নাখোক্পদ সারেগম য়াওরক্ই
ম গ, ম গ, ম গ।

পাউ অম তম্‌গে শর্মিলা

লৈরাং ওইবী শর্মিলা নঙ্‌ন
অসুম্‌ অসুম্‌ থৌদু নুঙ্‌ ওন্‌বদগী
নুপী খুদীং মৈ ওইরে ,
অসিবগী খায়াত্ত য়াতারিবী নঙ্‌গী
অসাব নিংসান কংহল্লে
হৈপাল্‌ লৈপাল্‌ উপাল্‌ ব্লাপাল্‌
অনৌব য়েন্নিং অমগী।

থঙ্‌ থঙ্‌ চোংব নঙ্‌গী মিহুন্ন
নঙ্‌গী কংলৈ লম্‌দমসে নীক্লে
মঙাল্‌ অম উহল্লে শর্মিলা নঙ্‌ন
অনৌব খুন্নাই অমগী ঐখোয়বু।

খুত্তুম্‌ চেৎন পায়সিন্দুন
মীৎসনা অনী উইসিন্দুন
অসিববু থবাক্‌ লোংন তরাম্ন ওক্লগ
হীরি কোল্লী শর্মিলা নঙ্‌ন
অইঙ্‌ব অতপ্প অচীক্‌প
থিরি কৈদনো হায়ন ।

খুৎলায় পায়দন লাম্হেংনরিবী হে! শর্মিলা !
লাই নীংবী অমুক্‌ সারি নঙ্‌ন
লোল্‌ থোক্তবী অমুক্‌ সারি নঙ্‌ন
অসিববু কোল্লিবী হে! শর্মিলা নঙ্‌দি
লাপ্‌খিগদৌরব্রা অসুম্‌ অসুম্‌ ঐখোয়দগী ?
নঙ্‌গী ব্রাংউলোল্‌গী ফিদম্‌ লোইদ্রি
নীংজব নঙ্‌গী মপুঙ্‌ ফাদ্রি
সিব য়াদে শর্মিলা নঙ্‌!

খৃৎলাই পায়দন লাম্থেংনরিবী হে! শর্মিলা !
মায় পাক্প নৎত্রগ মায়থীব অনীগী মরক্ত
নঙ্গী থৱায়ন মীরোন্সিগী কোক্তোন্দ পাইবদ
হৌনরুদন চোংথোরক্লে ঙসিদি নুপী লীসিং লীসিং
মরৈপাক্ মরম্দম্ কন্নবগী!
শর্মি'লা নঙ্ গী নতুঙ্ ইন্নবগী!!

শর্মিলা! শর্মিলা! ইরোম্ চনু শর্মিলা!
পাউ অম তম্গেনে
নঙ্বু মীৎ পাঙ্ঙুনে
চীন্বাল্ খজিক্তং কাঙ্ঙুনে
নুপী লাল্ অমগী সেম্ব সাব লোইরে,
মায়কৈ খুদীং ঐখোয় লৈরি হায়ন লাউরে ।

চিঠী খাউ

লৈসাবী সরীনি নৎত্রগ মৌ নহানি
চিঠীখাউ পীরম্বী নুপীদু
মখোয় অহুম্ মরী লাক্মিন্নবনিদি হায়ববু
চীল্বান্দ লিপ্স্তিক্ মীৎত কাজল্
তৌওম্বী অফাওবী হেলোই মান্বী নুপীদুন
য়েংলম্মী চাগদৌবগুম্ ঐবু,
চিঠীখাউ পীরম্ব নুমীত্তুদগী হৌবে
ঐগী নুপা করিনো অম তৌরে
অয়াম্ব মতম্দ উংদুন লৈরে
মহৌসাগ মান্নদ্রে।

ঐনদী ঐগী নুপা কবিনি খঞ্জদুন
চাউথোক্চবনি ঈমান্নবী কয়াগী মরক্ত
অদুবু ঐগী নুপা চেঙ্ চঙ্ব কবি ওইরম্লে
লম্লান্বী অম মথম্মোইনুংদ লৈরমাল্লে
নৎত্রবদবু
চে কলম্ থম্দুন
করিগী য়েংলি মমীৎন তরঙ্দ?
ফক্লাং অকায়ব অহোবদগী য়েংবদ উই
থোঙ্গী উপাক্ কারক্ অহোবদগী য়েংবদ উই
ব্রাখল্ খন্দুনত লৈব,
ঐগী নুপা করিনো অম তৌরে
চিঠীখাউ পীরম্ব নুমীত্তুদগী হৌরে।

সৈরেং ইব লোইরগ
কৌসিন্দুন ফম্হল্লগ মনাক্ত
ঐবু সৈরেং তাহন্নীরম্ব
ঐগী নুপা পূক্ফবনি,

লৈসাবীরা মৌবা মসক্ খঙদবী খরন
চিঠীখাউ পীরম্ব নুমীত্তুদগী হৌরে
ঐগী নুপা করিনো অম তৌরে।

ঐগী নুপাসে,
তৃম্ব চাব চঙ্দ্রে
মায়থোঙ্ লাংসিন্দুনত লৈরে
হক্চাং ঙম্দ্রবা হংবদসু খুম্দে
খৃত্তব্ পায়রে ফুরীংখাউদবু হাপ্লে
থানব লৈতে চিঠীখাউ,
মাইবী সেল্বু হল্লুসিরা ঐবূ!
অঙাও অফৈ লায়েংগী দাক্তরদ তানরুসিরা ঐবু!
কায়গদৌরি থম্মোই খঞ্জানরিঙৈ
পুসিল্লক্লবদি ঈনাওনুপী!
করম্ন তৌগনি ঐদী!
সোন্থররোই পুক্লীং থবক্ অম পাঙ্থোক্হৌগে
মহাক্ল তৃন্নিঙৈ চিঠীখাউ লৌথোক্কে
পাহন্গে কনানো অমদ কবিগী চিঠীনো?

মোন্ কাঙ্খৎলগ নুপীদুন
সৎপ হৌরক্পদ চিঠীখাউ
সৈরেং ইবগী মচাক্ সুংলিব
তৃম্বদি নত্তব ফমুংদ পোত্থারিব মপুরোইবদুন
তাপ্ ফায় মাগী নুপীগী মখুদাঙ্দ
খংপ্রেক্ খংই লোয়নবীদু,
থেম্জিন্বী মোমোন্ নোক্লদুন মপুরোইবন:
ঈবেম্ম কবিসু চিংনগনু
থাদোক্লোই মপোক্সিমগী নহাক্পু,
ইগে খন্ব সৈরেং অমগী ঈথিল্ ঙাইবদ
ঙাওজবনি ঐন ব্রাখল্গী ব্রাহৈ য়াম্বন।

মঙ্

মনুঙ্ মতম্ চাদন লৌখিদব দাইরেক্তরগী
অৱাব ফোঙ্দোক্পগী মীফম্দ
লেপ্তুন লৈ দিপুতি দাইরেক্তবদি
ফম্থনখ্রবসু ময়াম্ন ।

ৱা লাউন ঙাঙ্নদে হায়বর্তনি
মহৈ মহৈ মুরুম্ মুরুম্ সোন্নরক্ই
মিনিত অনী হৌখ্রে
ফম্ব য়ারে হায়খ্রে
কবিগী লেপ্লিবনো দিপুতি দাইরেক্তরদি?

ৱাখল্ নুংঙাইরি,
ৱাখল্দগী দিপুতি দাইবেক্তরগী নুপী থোরক্ই
মপুরোইবদ নৌথবক্ই:
মোয় পাবুঙ্! সাবীদব য়াদে হন্দক্তি
চাউরগনি তলবসু দাইরেক্তর কারবনিন
ইমিং সনা কৌবসি
নানপ্পী মচাসিন পক্চহন্দ্রবনি ।

নোক্ফেৎ তৌই
লেপ্ন লেপ্ন মফৈ নীক্ই
অৱাব ফোঙ্দোক্পগী লেপ্পনি হাযব কাউই
দিপুতি দাইরেক্তর ।

মিনিত অনী লোইখিদুন
মী ফম্থনখ্রে খঙ্দ্রব দিপুতি দাইরেক্তর
খোঞ্জেল্ থোক্ল নুংঙাইব ফোঙ্দোরক্লে :
হাই মমা! দাইবেক্তব কাবেনে ঐসে
নঙ্বু মারুটি তোংনীংদ্রনে?

নঙ্বু সনা সাবীয়ু হায়বদাইনে ?

ভোলুম্ ওন্দ লৈরম্বদগী মাইক্রোফোন্দ চৎখিদুন
মাইক্তসু তানরক্ই:
হাই! মমা! দাইরেক্তর কারেনে ঐসে
নঙ্বু মারুটি তোংনীংদ্রনে ?
নঙ্বু সনা সাবীয়ু হায়বদাইনে ?

নোক্পগী খোঞ্জেন্ন নিল্লি অৱাবগী মীফ্মদু
দাইরেক্তর লৈখিদবগী পি সীন্থুরিঙৈ
দিপুতি দাইরেক্তরগী নুংঙাইব কুম্হৈ মতাদুদ ।

রাজনিতি

মীখল্ তৌরগনি তাবদ চহি লোইসিল্লক্পদ
হোটেল্দ চরা ৱানব মীওইসিংন ঙাঙ্নৈ
ঈ পাউ খঙ্গন্বসিংন নৈনৈ,
মীখল্সি লুগদৌরি
মায় পাক্লব হোৎনরক্কনি
শক্তি পাম্ব হেন্গৎলক্ই মীওইবসি
সাথিব য়াই হেন্ন হন্দক্তি ।

ৱা ঙাঙ্দে হোটেল্দ চা থক্লিব উলেল্দি
ৱাদি তায় ময়াম্গী
অদুবু য়াওদে ৱারীদ মাদি।

খবর পাবদ মী অমন থেংনরক্ই
ফোটো হাপ্প খবরদ
মাল্লিদ য়েংবদ ওইরম্মী
রাজনিতি দল্ অমগী মীতিন্দ
ৱা ঙাঙ্ব মীয়াম্দ উলেল্ন ।

ফম্মিন্নবসিং খবর লান্নে
খুদোম্বী থিন্দুন উলেল্নিনে তাক্লে,
তুম্মীন্ তুম্মীন্ন উলেল্দ য়েংনরিব
ৱা ঙাঙ্দ্রবসু নোক্ফেৎ নোক্ফেৎ তৌনরিব
হোটেল্দ ফম্বসিংগী মতৌ উলেল্ন খঙ্ই
অদুবু মহাক্তি উসিন্নদে
চৎলম্দাই ময়াম্দ নমস্তে তৌসিল্লম্মী
খ্বাইন চঙক্লন য়েংনহৌই ।

উলেল্ চংম্রে,
হোটেল্ বারী হৌরক্লে
মীয়াম্দ লেক্চর পীরিবসিবু
রাজনিতি য়াওরব্রনে উলেল্সিবু?
নুংসা থী
ভোট লেপ্কে হায়রক্তুননে মহাক্সু!

মী অমন খুম্লক্ই:
উলেল্গী থবক্ মসিনি হায়ব খঙ্দে।
নোংঙান্বদগীন নুমীৎতাবফাওব য়ুম্দ লৈতে।

য়েল্লম্ব সেল্

কুম্ লায়নান নাদুন লৈরিব মপুরোইবন হংই:
ঙা লৈরক্ইনা মমা নঙ্দি ঙসি
কান্নরক্প্রা ললোন্ব চৎলুবদু নঙ্বু?

কুম্ লায়নাগী নুপী নোক্মি নোক্মি তৌই
মপুরোইবন হায়ব তাবগুম্ তাদবগুম্মী
য়েল্লাং কেঙ্ঙোই পেরুক্ ফদিগোম্ য়োল্লুবগী
খুজীন্ন লৈমায়দ পোৎসীৎকী লৈই চিংই
অমুক্কসু হংলক্পদ খুম্মী:
ঙা চাব য়াইন নোংম ফাদোক্সু
হৌরবনি তু চামন্দবগী লৈসে
নুংঙাইদকো ভোটকি পাউসু
অয়ুক্কন তোম্বন মসীং হেল্লে হায়
হৌজিক্ক চাউবন ভোট কাগদৌরে হায়
থা খুদীংগী ভোট তৌহন্নীংইদা!
হো! সরকার তোয়ন কায়য়ু নঙ্বু কৈদৌবগে!!

মপুরোইবদু ঙক্ই
ঙা লৈরক্পগী ব্রা হংলগ
ভোটকী রাফম্ পুসিল্লক্পদ
হংবন অম খুম্বন অম তৌবদুদ
মখা তাথরক্ই মপুরোইবদু:
করিনোনে মমা নঙ্গী পাউখুম্দুবু?

নোক্ক নোক্ক খুম্মী নুপীন:
ভোটকী সেল্ য়েল্লম্বদ সরুক্ থুংলম্মী
মাকা কাউগনুসু হায়রম্মী
থাজদে রাজনিতি তৌব কনা অমত্ত ,

লায়রবব্ লৈব য়াগনি নীংব
সেন্ন লাং থাক্কনি খন্ব
অমোৎপ থবক্ক হান্ব মীহুৎন
করিবু তৌরক্কনি খ্বাই মীয়াম্গী য়াইফনব!
ভোট থাদদে ঐদী
নঙ্সু ঙম্দদুন লৈরিবদুনি ,
ঙাদুম্ চাগে ঙসিদি
লায়রবগী ইমুঙ্দ ঙা থোংই খঙ্হন্নীংদে
যৃন্নোন্নবদ মনম্ তাহন্নীংদে
উয়ান্ মখূম্ চেৎনবু খুম্গে।

খূদোম্বী

মহৈ তল্লিব মচাসিংন
চে কলম মূক্ লাইরিক্ ব্রাৎপ
লৈবীয়ু তক্লে মমাদ,
খোংগুৎলাই (খোম্খক্লাই) চুব অঙাঙ্সু
নিঙাই তৌই অচাপোৎকী।

চাক্ চাব হৌবত ঙায়রি
চখোম্ অম অনীদং হূক্লি
মচাসিংগী অপান্ব মপাদ অমুক্ থঙ্থরক্ই
সেল্ পল্লক্পদ কোক্চাউগী কায়
মচাসিং মনীং থুংহন্ব ঙম্দবগী ব্রায়
অদুবু সেল্দি পায়দে করিদী তৌগনি,
'নুপা থোক্উ নুপানিনে নঙ্সে'!
নুপীন হেক্ হেক্ চৈবদু
নীংসিংই চাক্ চারিঙৈদ নুপাদু।

চাক্ চানিংলক্লে
মপূক্ থন্গৎলক্লে
চাক্লুক্ মনাক্ত ফম্ন ফম্ন
ব্রাখল্ ঈতাউ তাউন
উরা হুম্দাংদ য়েংই নুপাদু।

মপুরোইব চাক্ চারি
অব্রাৎ অপা হংগে চঙ্লক্পী নুপী
মপুরোইবগী মতৌদ ঙক্ই
করিনো খঙ্নিংদুন নুপীন হংই:
'করি তৌরবগে উংলিবদুবু মখোয় পাবুঙ্ন
চাক্ক চাদবমখৈ তুম্মীন্?

সেল্গ চাক্ক য়েমৌনরব্রা?
ব্রা খন্নগদব লৈ ঙসিদি।

নুপাদু,
নুপীন ঙাঙ্ব খুম্দে
মঙক্ নোমদুন মফৈ নীক্লগ লৈ
তরঙ্ মালঙ্দ তাউদুন লৈ,
নুপীন চঙক্লন য়েংলিব
মচাসিংন সেল্গী তক্লরিব
উব্র উদব্র তাব্র তাদব্র খঙ্দে
মখূৎ খূদোঙ্বীন মনাকোং হোৎলি
নোক্মি নোক্মি নুপাদু নুংঙাইহরি।

মিস ব্যুটি কন্টেষ্ট

ঐবু উপু সো হাংখিদা !
হোংদোক্লব ফি লৌথোক্খিদা !
ফক্সিদা নৎত্রনে ঐন থনম্বদুবু
কদায়দনো সোয়রবরনে ঐবু ?
খুদাঙ্ ঘরী য়েংই
মতম্ থেঙ্লে খঙ্ই
মখোয়দৌ সাউগৎলক্ই
মচানুপী কৌই:
লেম্বী! কদায়দ লৈবগে ঈবেম্ম নঙ্বু?
উবরা হায়বনি ঈমান লৌথোক্লম্ব ফিদুবু?

উপু অমুক্ হাংই
করিনোনে খল্লী
চৈরক্ই লাইদ তাইনফম্ খঙ্দবদগী
লাইথিবোংন লৌথ্রবরা ঐগী ফি ?
খোঞ্জেল্ হৌন লাউই:
কনা কনান লৌবগে ঐগী ফি?
মপুরোইবন খুন্নক্ই মপান্দগী:
খঙ্দে উদে লৌদে ঐদী
লিলাদ নুপী সাদে ঐদী
সেৎনব ইন্নব নখোয়গী ফিদুবু
চন্নগদগে করিদ নুপা ঐঙোন্দবু?
থিয়ু কাউব ওইরম্গনি পোথম্ফম্ সোয়ব ।
য়েংই থি উদে খঙ্দে ফিদু
মকোক্ খোৎলি নুপীদু
সাউনিংবদগী তারক্লে তৌই পিদুম্
তুম্মীন্ন লেপ্লিঙৈ লম্য়ায়দ
মখোল্ অম তায় থংনব কাদ
ক্রোক্ ক্রাক্ তাবগুম্ন লৈমায়দ ,

খংলাউ লাউই
কনানো লৈরিবদু অদুদ?
চঙ্সিন্দুন য়েংই খুম্দবদুদ
মচানুপী ওইরম্মী লেম্বী,
তংখাই থূপ্চিল্লগ মমাগী ফনেক্ সেংচিল্লম্মী
মমাগী ইন্নফি শারিগুম্ মসাদ য়েংসিল্লম্মী
মমায় মমীৎ মচীল্বাল্ কেরম্মী,
সাউরংনন চৈ মমান:
করিনো তৌরিবদু ঈবেম্ম নঙন!
ঈমানদি ফি মাঙ্খ্রে থিরি
অদুগ নঙ্ন তৌরিবসিন করি?

মমাদ ওন্সিল্লগ মচান
নোক্মি নোক্মি তৌন খম্মী:
ফজব্রা য়েংউ ঈমা!
কেরিবসে ঈথস্ত ঐন!
লৈসাবী ফারগ ঈমা ঐদী হয়েং
য়াওগনি মিৎ বিতি কন্তেৎ
(মিস ব্যুটি কন্টেষ্ট)
তন্নিবনি কেব মদুগী ঐ ইমা,
সাউরম্বদগী নোক্থোরক্ই মমাদু।

খূদৈ

করিগুম্বদ ঙাঙ্নৈ,
লৈকায় মী তিন্নদবসি উরে
হোটেল্দ চা থক্প থোরক্প উরে
অদুবু খূদৈদি তোয়ন সেৎকৎলক্লে মহাক্সে।

অয়ুক্ অঙন্বদ ঈরুজথোক্ই
চন্দল্ পারপ্ থিল্লী
খূদৈ অম সেৎলী
মোজা ফুরীৎ অম লীৎলী
ঈসৈ তোয়ন ঙংই
মপুক্লীং মকা লাম্দুনত লৈ উলেল্ ,
মোমোন নোক্পগুম্ন উবদুদ মায়থোঙ্
অহোংব পুন্সিগী খঙ্হৌদবদুদ
মৌ নহা খরন লক্লে:
হন্দক্তি মোন্দা নুংঙাইন উইকো উলেল্সে
ঈসৈ তোয়ন ঙংইকো নহাক্সে
ঈনাওনুপী মৌ অনৌবীদুবু
করম্ তৌবগে চাক্ য়েন্নাং থোংবদুবু?
মৌ অনৌবীগী ফি মতেক্ন খূদৈ সেৎপ পক্চৈ
সাহন্নীংখ্রেদা কৃষ্ণ অমুক্তং,
উলেল্দি নোক্পতমক্ নোক্ই।

মৌ নহাগী ফাগি মতা
লুহোংব কুইদ্রিবগী উলেল্গী মতৌ
অঙ্গাংলোম্গী ঈবেঙ্কৌদি য়েংলি
মাঙ্গোল্ উখোংতেন্দ ঙান ঙান
অনৌব অনৌবীখোয়গী য়ুম্ অপৈবদু।

প্লীজ

ঐগী যূম্‌সি
লায়র খাঙ্‌পোক্‌সঙ্‌নিদি হায়ররোই
চেক্ল সারে
ইমুঙ্‌ মাঙ্গোল্‌ প্লস্তর তৌরে
পীক্তক্‌প যূম্‌ ওইজরবসু য়ারে।

লৈমায় প্লস্তর তৌরম্‌দাইদ
ব্রা তানৈ ঐন চেক্কী মিস্ত্রীদ
কনাগুম্ব কনাগুম্বীন ঐগীদ চঙ্‌লক্‌পদ
খোঙ্‌উপ্‌ খুরুম সেন্দল্‌ লৌথোক্লব
চুরি তাফম্‌দবু থম্লব
করি করম্লবু তৌগদগে?
চেক্কী মিস্ত্রীস্‌ হৈ
মাঙ্গোল্‌ কাখৎফম্‌ হেক্‌ মমায়দ
খোঙ্‌উপ্‌কী মমি সেন্মী
মখাদ ইংলিসত হক্লগ 'প্লীজ' থাই
অদুবু ইমুঙ্‌ মনুঙ্‌গী মীন চখোক্‌ চৎসিন্‌ তৌবদদি
খোঙ্‌উপ্‌ খুকম্‌ সেন্দল্‌ য়াওদব লৈতে
হান্নগী হান্নগী অঙ্কাগী অঙ্কানি।

ঐগীদ চঙ্‌লক্‌প কনান
খোঙ্‌উপ্‌ খুরুম্‌ সেন্দল্‌ লৌথোক্‌পগে য়েংনীংদুন
যূম্‌ সঙ্গাব নোংঙান্‌বদগী হৌরে ঐন
মতম্‌ অয়াম্বদ মাঙ্গোল্‌দ ফম্ব।
ঐগী নুপীন নোংম হংই ঐঙোন্দ
কৈদৌবীরবগে হন্দক্‌ মরক্‌সিবু
য়েংদুন লৈবীরিবসি কোঙ্থোঙ্‌লোম্‌দবু?

খুম্দব য়াদদুন খূদোম্বী থিল্লগ খঙ্হল্লী
মাঙ্গোল্ কাখৎফম্ মমায়দ
'প্লীজ' থারিবসি উরবরা
য়েংলিবনি মসি কান্নরিবরা হায়ন ।

ঐগীদমক্ নাজরবী
ঐগী নুপীন খুল্লক্ই:
য়ম্ সঙ্গাবদগী ঙসিফাওবদি
কন্যা অমত্ত চঙ্লক্লিনে মীতোপ্পি ।

ঐগী নুপীগী ৱাহৈদ ইকায়দবদি সাই হায়ববু
কোক্তি লূক্থখিবরা খল্লী ।

বেক্ দ্রোপ্

উলেল্ন ব্রা ঙাঙ্ই
মীয়াম্ তিন্ব মীফম্ অমদ:
ইজ্জত্ লৈন হিংলিবনি ঐখোয়গী খুন্নাই
চরা অনী সুন চাদ্রবসু নোক্লিবনি মোমোন্
উপ্লিব খোঙ্গ্রাও লীংলিব ফুরীৎ ঐগীসি
কনান হায়গদৌরিবনো লায়রবগীনি মসি?
মখূৎ মসা জগোয় সাবগুম্মী
মসান মসাদ খুদম্ পীজরদুন
ব্রা ঙাঙ্ব হৈবগী মতীক্ উৎলি।
ব্রা ঙাঙ্ব কুইদ্রি
তিল্লিব মীয়াম্ নিল্লক্লে
কক্চেঙ্ন খোই মহুম্দ খোইহি থিরক্পদ
ঙুং ঙুং ঙংবগুম্ হয়িংখোইন।
মমাঙ্দ ফন্বী নুপী খরদি
খোঞ্জেল্ হৌখিদনব মচীল্ খুম্জিল্লি
অদুবু অমগ অমগ লেং ঈন্নে
লোন্ন মীৎন য়েংনব তাক্লে।
উলেল্ ব্রা ঙাঙ্ব লেপ্তে
মাইক্রোফোন্দ মচীন্ন চুপ্তে হায়বত ঙায়
মীয়াম্সু নিন্ব তোক্তে
অমসু অমসু দাইজদ খুদোম্বী থিন্নরক্ই
য়েংউ তূ তূ হায়নরক্ই,
সভাপতিন উলেল্দ য়েংই
করিগুম্ব খর হায়খিবগুম্ব তৌই
উলেল্ নোক্ফেৎ নোক্ফেৎ তৌই
সভাদ সোরি হায়রম্লগ
বেক্ দ্রোপ্লোম্দ ওন্সিন্খি
মমায় লৈথোরক্পদ মখূৎন খোঙ্গ্রাও সেয়্যজিন্ব খোই


MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR IMPHAL LIBRARY 9073/Man